মাক্লেং নৈসেম্লোল আরিবা

(অহানবা সরুক)

মাল্লেম লৈসেম্লোল আরিবা

(অহান্বা শরুক)

পুথোকচবা

চোংথামচা ঙাম্বা (জয়)

খায়ম নাগমপাল লমাবম লৈকাই

ইম্ফাল

৭ (আরেং) সুবা কোংজবা

থিংবাইজমচা টুভেশ্বর

খ্বায় নাগমপাল পাওনম লৈকাই

আর, এম, সি, রোড, ইম্ফাল ।

মখুম য়েকঁপিবা

ওংবেল্লমচা কুমার

লালহামবুং, ইম্ফাল ।

মখুমগী উনম শাবা

প্রিন্স গ্রাফিক্স

কৈশামথোং থাংজম লৈরক ।

অহানবা নম্বা

ইং ১৯৮৯

মশীং ১০০০

লুপা ১৮/-

ভাগ্যবতী কার্য্যালয় চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কসতা ছাপা নম্বা ।

ৱাহৌদোক

মাল্লেম লৈসেমলোল অৱিবা হায়বা পুয়া অসি, পুয়া মশা-মক্কী খল্লাং য়িরেং পুৱারিনি হায়ববুস্তু ফোংদোক্লু। অতুবু হৌজিক হৌজক যং'লবা (খেংনৱিবা) খল্লাং য়িরেং পুৱারি পুয়াগা চাংদম-নাতনা য়েংবদা শেম্না মাম্নাদবগুম ৱ.ই. ম শ কারকন্না খোৱম খোখোক্লু খৱশীংদা পাকথোক চাংথোক্লা ইরম্বাগী মওংনি, অতুবু মুংগী ওইবা ইচেলদি মাম্নে হায়না লৌবা য়াই।

মাল্লেন লৈসেমলোল আরিবা. পুয়া অসি খৃঃ ৬৬৩ দগী কংলৈ পুভমাযোন্দা নিংথৌ ওইনা পানখিবা লাইবেল নাওথিং খোঙগী মতমদা মঙাং লাইনিংশি, হায়বা চিঙ্ঙ, খোইয়ম লাইগী মঙাল ফংলাবা মাপোক য়াইফবা অমানা, লুৱাং লৈকোইবদা ৱারী পরিং লিনা পাংতাকলম্বানি, পাংতক ৱারোলবু লাংগোল তাবা মক্রিক্লা ইরম্বানি হায়ববুস্তু মংথক সেংনা পাম্রি অস্তুম্না ইরম্নবা পুয়া অসি লমদম অসিগী মতম অতুদা সকনাইবা ওইবশা মাইকৈ কাংলুপশিংগী লুচিংবা (নিংথৌ) ওইবশা য়াওনা ইরম্নি হায়ববুস্তু ফোংদোক্লু, খুদম ওইনাঃ— কমপোঙ মাহারাশা. খুনচাল লাকাশা, হায়েন নিংথৌ মোইৱানপা চেংলৈ নিংথৌহলপা নোংভুমপা, সাৱাং মেলৗলপা. লুৱাং হোংনেম লৈকোইপা, নাচংবা মীওই কয়াগী ৱহংশীংবু পাওখুম রোইনা মঙাং লাইনি সিনা ফাংদোক্লম্বানি হায়বগী ইচেল ফংজ।

অস্তুম্না ওইবা খল্লাং য়িরেং পুৱারি পুয়াবু খুৎপাং সিলনা মীবোল মথং মথং সিম্নারকপাগী ৱারোলশু পাম্রি, খুদমদি ঃ— মঙাং লাইনিং হলদগী লুৱাং হোংনেমবা। খুমন নিংথৌ। মোইৱাং নিংথৌ। খেন্দে নিংথৌ। সেলোই কবোম্বা সৱাং নোংচেংবা। উশা চনিংখোম্বা।

খুমন অযাংকাইবা। হয়েন নোংছুম্বা । খাবা মুংগোইবা । ঙানবা কোইবা । লুরাং কুচুবা । ব্রোক তবুংবদগী লৌরেম খোংনাং থাবদা, চিঙড্ খোংনাং থাবনা য়িনিংথৌ পামহৈবগী হাকতক্তা পুয়া অসি পুথোরকপগী মওংদি :— য়িনিংথৌ পামহৈবনা ব্মংলাই মাথৈ থুখাইরক্লিবা মতমদা মোংবা হলবা ব্মংলেল অসি থুখাইদুনা মাংহলগদৌবগী থৌরাংলকলাবদা চিঙড্ খোনাং থাবনা মোংবা হলবা ব্মংলেলবু কনখৈদা পুথোকলকপা পুয়ানি । অদুবু মতম অদুগী অইবা মাইচৌ অঙোম কপিদা নিংথৌগী অনিং অপাম্বা রাহৈ রাগোল খরা হাপ্না পুয় অসি অমুক ইথোকতুনা চাংথোকহনরকপগী মমি তাই । মতম অদুগী নিংথৌগী অনিং অপাম্বানা রাহৈ রতা রারেং খরা মথৈ থেংচিল হাপচিলত্রবগী রাগোল বাহৈশী বু থৌ জক এথোয় থ্রায়না লৌথোক হাইদোকপদা পোইদোক্লা অকবা মরম অমা ওইদে, মওংদি :— চন্দ্ = থাজ = পাখঙা । কুক=কুকম । হরি=হয়ি । য়িয়োককোম =পুথ্রি । তুলাই হায়বনা চিংবা ……… ……… ……… ।

পনজাত্রিবা রাহৈ অনিমক অসি পুয়া অসিদা অদুম্মক সিজিন্নারম্বা থেংনৈ, অদুনা হন্দক মৈতৈ ময়েক্কাগী বঙ্গালা ময়েক্কা অহালবা ওইনা পুথোকচরক্লাবা অসিদদি য়াবিবামখা মীবমলমগী লোলশংবু লৌথোকচরবাগা পুথোকচনাবা হোংনজবনি, অশুম্না মৈতৈ ময়েক্কাগী বঙ্গালা ময়েক্কা পুথোক্লাবা হোংনবদা অচিনবা মতম কয়া কাইথোকপিদুনা অরাবা সকক য়াবিখিবা,য়াম্বা থুমম্নেমগা ফুনিন্দ্, সরাইজম লৈরক, ইনাও সনোমচা শ্যামকান্তাই য়াইস্কুল অনিনশু কন্না হোংনবিবাদগী অথুবা মতমদা পুথোকচাবা ওনজবনি, মসিদা খরগী মথৈ শেংদোকপা রাংলাবশু মধংগী মতমদা অমুক শেংদোক্লাবা হোংনাজগে ।

ইম্ফাল
তাং ৮ । ৩ । ১৯৮৯

পুথোকচবা
চোংথামচা ঙাম্বা (জয়)

অফোঙবাগী ৱারোল থরা

ইয়াম্বা চোংথামচা ভাম্বা (জয) না পুথোকপা "মাল্লেম লৈসেম্রোল আৱিবা" (অহাম্বা সরুক) ফোংজহনা খ্বাইতৱাগী মফমদা খুদোল ওনজবা ৭ (ত.ৱং) শুবা লাইরীকনি ।

মৈদিংঙু গাম্ভীরসিংহজীনা নিংথৌরেল্লা ওইবিঙে মতমদা ইহনখিবা পুয়া মপুম অসী ঐবু পোকপিরম্বা লৈশ্রিকবা পণ্ডিত থিংবাইজম শিতলচন্দ্রনা ইং ১৯৪৭ তা বাঙ্গলা মযেকতা ইথোকতুনা থনবিরমবা থেংনজকবদা ফোংদোকচনিংবগী ইহুল অমা যাওথ মচ্চাদ ঙসি হায়রিবা মুনীং অসীদগী হৌনা হনগৎনা চহি মশীঙ থীগৎখিবদা তে বাম্বা ওইবকঙ ফাওবদা চহি কয়াম কুইরবগে হায়ববু খঙহল্লি। চহিগী ময়ুং অসীবু ফংলবদি থোকখিবা পৌদোক পুম্নমক মফেল্লা শইনা ফেনজিনবা য়াবাগী মরম লৈবানা পুযা অসী কোংজবা নে। মসীগী অচুম অরানদি খ্বাইতৱাগী খুংতা লৈগে ।

অহাম্বা সরুক অসীদা ফংলিবাসী তেংবানবা অসীনা লৈরকঙৈদগী হৌনা লাইগী চক হঙ্কগী মতম ফাওবা চহি কয়া শুরগে অসীনি । লাঃ ১৭ ৱাঃ পরেং ৩ঃ ১৯ দা ফংই, "চক হাকথক ৬৪ সুনা লৈভামলে," অমুকন্দু লাঃ ২৪ ৱাঃ পরেং ৪ঃ ২০ দা, "..., চক হাকথক ৬৪ সুনা মাকু ঐকি কাইতোং ফমগী থিনা পাইঙমপাপু,,," অসুম্না মকু পুন্নসীবাগা লাইগী লাই সিদবাগা ৱারী শানাখি । মতাং অসীদা ইয়াম্বা ভাম্বা মণামকনা ইবা "মৈতৈ" লাইরীককি লাঃ ২ দা লাইগী চক হঙ্ক মরিমকাক অপুম্বা চহি মসীঙ ৬, ৮৮, ৬০০ পু ৬৪ ৱক

হৌখিবনি হায়না ফোংদোকলি । মকুগী চক হাকথক ৬৪ হৌখিবগী চহি ৪, ৪০, ৭০, ৪০০ অসী ফংই ।

লাইব্রীক অসীদগী ঐখোইনা ফংই মতুদি হঙ্ক লোইগদবা চহি ৬, ৯৯. ৮০০ রাংলিডৈদা কুরু সিদবানা পাখণ্ডবাদা ফম্বাল শিন্নরম্মী; হঙ্ক লোইগদবা চহি ৩.২২, ১০০ রাংলিডৈদা পাখণ্ডবানা করৌহলবাদা ফম্বাল শিন্নরম্মী ; হঙ্ক লোইগদবা চহি ১, ৫৫, ৫০০ রাংলিডৈদা করৌহলবানা কৌবারেলদা ফম্বাল শিন্নরম্মী । পোই হঙ্কগী চহি ১,৫৫, ৫০০ অসীগী মনুংদা লাইগা হিংচাবাগা লাল থেংনৈ । কৌবারেলদি ঈ তাদে ফম্বাল শিন্নরমদে, মসীদা লাইগী চক হঙ্কগী মতম লোইরে ।

হৌজিক লাইব্রীক অসীদা ফংলিবা চহি অসী :—

মকুগী চক হাকথক ৬৭ গী চহি		— ৪,৪০,৭০,৪০০
ক হঙ্কগী চহি লাঃ ৬০ রাঃ পরেং ৪:৪২৩	—	১,৮৮,৮০০
থোই হঙ্কগী চহি লাঃ ৯৬ রাঃ পরেং ৫:৩৭৩	—	১,৭৭,৭০০
তয়ো হঙ্কগী চহি লাঃ ১১৪ রাঃ পরেং ৬:১৫৯	—	১,৬৯,৬০০
পোই হঙ্কগী চহি লাঃ ১৪১-১৪২ রাঃ পরেং ৭:২২২	—	১,৫৫,৫০০
লাইব্রীক অসীদগী ফংলবা অপুম্বা চহি		— ৪,৪৭,৫৯,০০০

চহি মিলিয়ন ৪৪,৭৫৯ অসী লাইব্রীক অসীদগী ফংবা ওম্মী। ইতিহাস ইবাশিংনা করিগুম্বা মরম খরদাগী থোকখিবা থৌদোক নংত্রগা নিংথৌগী মিং চিংথনা ইরম্বা য়াই অদুবু মতমদি কনানাও নম্বা য়ারোই ।

পুয়া অসী ফোংদোকনাবা হোংনরকপা মতমদা অরাবা সরুক কয়া য়াবখিবা অমসুঙ মমল য়াম্নবা পাংতাক কয়া পিবিখিবা অহল,

লমন, ইচিল-ইনাও পুন্নমক্কী মফমদা ইকাইখুন্নবা উৎচরি । লাইরীক অসীবু পুথোকপিন্নকপা ইয়াম্বা চোংথামচা ভাখানাস্থ পুম্বা অদীগী লেমহৌরিবা সরুকসিঙ তেল্লবা মতমগী মপুংদা পুথোকপিন্নকনি হায়না থাজবা পোকচৈ ।

মথুমগী লাই য়েকপিবা তংখম্নসনচা কুমার অমসুঙ মথুমগী উনম শাবিবা প্রিন্স গ্রাফিক্সকি মেনেজরগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎচবগা লোইনানা থাগৎচারি ।

ঐহাক ইশানা হৌজিক হৌজিকমক কাংপোকপীদা পোক্টিং তাত্না লৈরম্বা মতমদা লাইরীক অসী ছাপা নমজবা ওইবানা ভাগ্যবন্তী কার্যালয় চুড়াচান্দ প্রিন্টিং ৱার্কসকি থবক পুবিরিবা ইচিল ইনাও, ইচে-ইচল শিংনা থবাই য়াওনা হোৎনবিতুনা লাইরীক অসী ফোংজবা ঙমজবগীদমক প্রিন্টিং প্রেসকি থবক পুবিরিবা পুম্নমক্কী মফমদা থমোই শেংনা নুংঙাইবা ফোংদোকচাবগা লোইনানা থাগৎচ'রে ।

লাইরীক অসী ছাপা নগাদা অবানঅাম্ভই, অশোইঅঙাম, চিংথানানথাখিবা পুম্নমক ঙাকপিবু হাযত্না হন্না হন্না নে লুকচারি । অরোইবদা লাইরীক অসীগী লেমহৌরিবা সরুকসীঙ ফোংজবা ঙমবা ললকুবিয়ু ।

ইম্ফাল,
লমদা থানিন, য়াওশং
মার্চ তাং ২২,১৯৮৯ ।

ফোঙজবা
থিংবাইজমচা টুতেশ্বর
মেড্যাল্লিষ্ট (ওনরেবল প্রেসিডেন্ট অ্যাবার্ড)

মালেম লৈসেম্লোল আরিবা

১বা পনখৈ

ওঁ হাযি হায়া হে। ।১.১। হে খোইযম লাইয়িংপৌ ।১.২। মাললেম তাইপঙপালপাকি মাপুঙ্ ।১.৩। লৈকোই খোইকোইপা মাচি ললমাক ।১.৪। থারাই য়াইপী পীমাপা ।১.৫। চীঙঙ্ সানা নাখোঙখা। ঙাংলৌ পমপাল লৈকুমপা আনামাতা তাইয়ম তাঙচা য়ীকোক কংনা য়াথ, আহালপাতা হলনা হলনা খুবমচাতুনা থাইনা লাহালনোংকি ৱাখল আবিপা। মাললেম লৈসেমলোল ত্রৌ নোংহৌ ৱাপু শিচীকতা নাইমলকবে ।১.৬।

চীঙঙ্ লাইমাক খোইয়ম লাইনীঙসিং আহালপাকি চীঙঙ্ মাপোক আবেপপানা ফাওরাপা লাইবেল মৈতেঙ্ তুপী য়োইনোংতা নোংতা লাইবেল পাখঙপাকি মানোংয়াই মৈতেঙ্ পানহৈপানা ত্রৌ হুমীংমাতা পাঙহংলকয়ে ।১.৭। য়ীপোইরৈ সানা য়ীরৈপাককি মাললেম লৈপাক কোইপা ফমথৌ নাকলৌ সিনপা আয়ামপাস্থঙ লৈপাক পুমনামাকি আহল মাতম ৱোই পুলসী চাহে কুইনা খোইয়ম মাতম মালকুমলাপা পুমনামাস্থঙ নিংথৌ চীনকোই য়ীয়াথংপু ৱুলপী

পুকনীঙ তপনা নাতাআে।১.৮। পোইরৈ সানা য়ীরৈপাক আসীকি নিংথৌ মারমচং নীঙথিপা থাৱাই লাইনীঙলেল আসেংপাকি মাহৈ লাননাথৌপু কারিকি লাইরীকসিঙতা চলনা থমলমতাপানো ।১.৯। লৈপাক পুমনামাপু হৌনালমচংকুম চুঙলেল ঙকতা হুক, থাঙলেল খুংতা পাইনা ৱাইরা সা থিরা হেৢল লালখিনারাপাকা নুপী পালকন আসোলপী আঙা, নাওৱা আখুপাসিংপু থাৱাই নুংসি খঙতানা হাং-লাপাকা য়াইফ। মাইপাকপাপু ৱোইনা লাইরীক পীপুকনুংতা চলনা থমলময়ে ।১.১০। কোলনুং পলপাল কোয়না লৈরিপা লাইফম ব্রুমং নিপালমাতা নামু মীকি থাৱাই হাংনা কংলিপা আসীনা আফা মাহৈ কারমপাপু ৱোইরিপানো। ১.১১। কাওরেল সল-তুনা তেকপী ৱোকচাঙ হাংনা সারেল সাচানা ৱাংলৈ য়ুনৈনারিপা অসীনা থাৱাই য়াইপী-রেলকি আফা মাথোই তোংনাপা কারমপাপু লৈরিপানো ।১.১২। কাওরেল লাইপেংনা কাইরৈ য়েলকাওনাপানা নিংথৌ মারমচং নীঙ-থিপাপু ৱোইনা লাইরীকসিঙতা চলনা থমলময়ে ।১.১৩। আসীসুঙ মাতোমতে ।১.১৪।

হায়ি, খুনুং, লাংপা চকঙৈতা য়ায় নিংথৌ কাংপা মাহাকথক-তাকি হৌনা সানা চোঙলেল খাল, চৈরৈ অঙৌপাকি থারাক লৈনা থাংপা সেকপিল মাথোন মাপলস্নপাপু খালনা তানথোঙ মায়ুংকুই, লেমথোঙ মাফৈ পাকনা মাললেম লৈপাকমাপু নিংথৌ মারোল কয়া-মারমপু নুংঙাই মারাংকাইনা পাললকলাপাপু নিংথৌ মতীক চম লৈপাক মায়েং তানা কারিকি হুললালথোকলাপানো ।১,১৫। ৱারম নোংসাংতারিপা আরাং লাহালতাআকি লৈনুং চীঙথোঙ পোইরৈতোল-

না খুলথোকলকলাপাকা নামু পোং লিংপীরাপাকুম লোইমোম ফৌনা-চিংনা চানা-থকনা আয়ামপাস্তুঙ চিঙখোঙ পোইরৈতোলনা সালসেম-পিতুনা থৌরম পুমনামাপু ফংচারৌপাকুম কারিকি লাইরীকসীঙতা চলনা থমলমপানো ।১,১৬। চক মাঙতা থানা হৌখিরাপা খৈপীকপু লমলক তুপাল সাকুম লৈপাক ৱায়েল নাইতানা কারম পাললমপা-নো।১,১৭। আমাস্তুঙ কোলনা চক আকোলপা আসীতা য়ীয়ু খুই-য়োইতোমপোককি নিংথৌ মাহাকথকতা মাললেম লৈপাক আনেম-পানা ৱাংলময়ে, ক্রৌ নোংমাতোল আৱাংপানা নেমলময়ে, চেঙচোই ফৌস্ন কাতানা ক্রৌ নোংমাতোলপু স্নকলেলতোলনা ফংয়ে হাইনা লাইরীক মায়েক চলনা কারম, য়েকলমপানো।১,১৮। তনলা ৱুপাল চাংখোইপাসিংস্তুঙ পামেল কায়াম নেমনা হৌরমপানো।১,১৯। থৌরম মাঙতা থানা চক ৭ (তারেৎ) মাপু হৌখিরিপাসিংতী নোংথৌ আৱাং-পাপু কায়ামারম নেমলমলিরাপানো ।১,২০। খোইয়ম লাইনাচিংনা নামু মীৱোইপাসিংস্তুঙ মাতৌ কারম রোইনা পাললমপানো নিংথৌ ঐপু বুলপী পুকনীঙ ঙকনা নাতায়ে।১,২১। আমাস্তুঙ য়ীপুথৌ পাখঙ পাপু তুপী লাইরেলকি মাসক মামাল ৱোইনা নারক বুরক য়ীসিংমাস্নুং আসীসিংতা লৈয়ে হাইরিপা আসীপু লাইকি নতীক আথোইপাপু কারম রোইহলপানো ।১,২২। মীথংলেলপু থৈথুরাপাকা মীরুমপীপু তাংথানানা লৈমা লৈনাঙতাপীপু সানা কমপাল তোংমানায়ে হাইরি-পাস্তুঙ লাইকি লমচং আথোইপাপু রোইহলতারে।১,২৩। য়ীপুথৌ পাখংপানা মানাই লৈপাক পুমনামাতা নিংথৌকি লমচং ৱায়েল আমকপা আসীকুমপাপু কারম তাকলমকাপানো ।১,২৪। নিংথৌ

য়িমালনাপাসিংনা তাখিরাপাকা লৈপাককি মায়েং তানা নোকনাখি-কাতানে ।১,২৫। থারাই লাইনীঙলেলকি ৱায়েল মকতাপাসিংতুম লাইরীকসিংতা চলনা লেংলমগঁনে ।১,২৬। য়াইপী থারাই ঙাকতা, তেকপী ৱোকচাও হাৎ, কাইরৈ য়েলফা, য়ৈনা, সারেল সাচানাপাকি ক্রো নোংলৈপাক কারমপাপু তানফংচায়ে হাইপাপু খোয়ম লাইনীঙ-লেলতা কোইরেং খোইতিং মাখাই মারমতা আপু লাইবীক মায়েক চলনা লৈঙমতে।১,২৭। হে মাললেম লৈপাককোইপাসি অে, পোইবৈ লৈপাক পুমনামাকি লাইবীক আয়ামপা খৈপাকপু ঙমনা খোমথংলুবা-পাক। কংলা নোংলৈয়াঙকি লাপা নোংলৈফম আসীতা দৈনা খামপা মৈ থাথোকলাকে ।১,২৮। য়ীযু নিংথৌরেল ক্রো নোংকাখাবাপাসংকি মাললেম লৈবোলচলনা আমল খোংলোইখিবাপা সংসুঙ মংলেল লৈথোঙ হাংনা সুমল পুমনা খোমলাপাকি। লাইচা য়ীতা থাথকিবো ।১,২৯। ক্রৌ নোংকারাসুনো ।১,৩০। ৱুমংলাই ৯ (মাপল) মাসুঙ নামু মীহী থকনা তাইপঙ মীসং চাবাপাকি খোইথম লাই হিংচাপাপু ৱোইহললে ।১,৩১। ৱুমং পমনানাসুঙ ঙমনা থকাইকবো ।১,৩২। হাইনা নিংথৌ পুকনীঙ কনচাও খোইনা ৱাহমলকলাপাকি মাললেম লৈপাক কোইপাসিংনা লাইবীক পুমনা খোমথংলাপাকা কংলা নোং-লৈয়াঙকি লাপা নোংলৈফমতা খামপী মৈ থাথোকলে ।১,৩৩। মাযু নিংথৌরেল আমল নোংকাখিবাপাসিংপু মংলেল লৈথোঙ হাংনা মাক সুমল খোমনা লাইচা য়ীতা থাথারে।১,৩৪। আসীসুঙ মাতোমতে।১,৩৫।

ৱুমংলাই ৯ (মাপল) মাসুঙ থুখাইরকলাপাতা লৈপাক পুমনা-মাকি আহল মাতম ৱোইরাপা পুলসী চেঙচেল কুইরাপাসিংনা নিংথৌ

সানা মাখোঙখাতা চঙলকলাপাকা ব্রুবোক সাখৈরেলকি তাপুংপা, লৌরেমপা খোংনাংথাপাস্থ আঙোম কপী মাখোই ৩ (আহুম) মানা নিংথৌ সানা মাখোঙখাতা ৱাকৎচাখিয়ে।১,৩৬। হে নিংথৌ আথোইপাঅো নিংথৌ পুকনীঙ আসাওপা আসীপু চৈরৎপিরো।১,৩৭। মাইকৈ খানা পাংপাবমকি মেংপাহলপা ব্রুমংলেল আসীতী নিংথৌ নাখৌচালনা ঙাকপিবো।১,৩৮। বুমং পুমনা মাঙহৈতে।১,৩৯। য়োংপু তনপা লাইবেমং। মীঙলেল লৈসেমপী ৮ (নিপাল) মাকি থাবাই ফমপীবেলনে।১,৪০। তাইপঙ পুমনামাকি সেকচুপ পলতাই ৱোই, সাব পলচেঙ পোনা ঙাকপিবিপা ব্রুমংলেলনে।১,৪১। তৌয়ীকুম নিংথৌ মাবমচং আসেংগা পোইবৈ সানা মাবৈপাককি ৱায়েল চঙলপা লাপ্ন বাবিকি লৈতাবকাপানো।১,৪২। হাইনা বাহমলাপাতা লাইবেল মৈতেঙ্গ পোইবৈ নিংথৌহলপানা পামেললকয়ে, হে য়ীযু তাপুংপা, লৌরেমপা খোনাংথাপা, আঙোম কপীকা নঙখোয় ৩ (আহুম) মানা পোইবৈ সানা য়ীবৈপাককি নিংথৌ মাবমচং পোইবৈ চঙলাপা বাবী থাবিনা পাবমপাপ লৈতানে। বাবী পাবেং সীলনা বাহমলবতো।১,৪৩। হাইনা ৱাহমলবপাপ নাতাবাপাকি ব্রুবোক সাখৈরেলকি তাপুংপা, লৌরেমপা খোংনাংথাপা, নোংপাল কপী আহুম (৩) মানা : হোংতা হে লাইবেল মৈতেঙ্গ পামহৈপাঅো নিংথৌ মাহাকথক আসীতা পোইবৈ খনলাংপা ৱাবী আখিপাপু লাঙচল পুরী থোক সারাচুমাম ফাকনা পুচাও নাখুম হাংলাইতমকি চক ৱায়েলমাপু সুসিললকলে।১,৪৪। ৱারম ফিবোল নাইনা থুপঙমলাবোইয়ে।১,৪৫। থাইনা লাহলনোং মাঙাং লাইনীঙসিং আনৌপানা লুৱাং হোঙনেম

লৈকোইপাতা পাওতাকপিরমপা মাললেম লৈসেমলোল আরিপাপু লীকলাং পারেং সীনকুম ব্লারী স্তংসিলনানা ব্লাইমলককে।১,৪৬। নিংথৌ নঙকি ব্লাথি পুকনীঙ আসাওপাপু মাললেম লৈসেমলোল আসীপু নাতারাপাতা ব্রুলপী লৈনীঙসিংলকঙৈনে। ১,৪৭। হে লাইরেল মৈতেংঙু পামহৈপাঅো, নঙপু নায়ু নোংতা লাইরেল পাখংপাকি হায়ি মিংখৈরেলপু সোলনা নাতাপিঅো। ১,৪৮। হে মাললেম লৈপাক কোইপাসিংঅো নঙখোয়স্তুঙ পুকনীঙ সেনলোঙ নীকতানা নাতাঅো। ১,৪৯। হাযি হায়াই হে।। ১,৫০। (*)।

২বা পনখৈ

হে লাইবেল মৈতেংঙু, নিংথৌ যাইফাপাঙো মাললেম লৈসেম-
লোলকি ৱাবী আনিপাপু বাবী সৈহৌবকলাকে।২,১। কোলন্নুং পাল-
পাললেল মাইকৈ লীকলন পাংপাবমকি সিনাবি ৱুমং ন্নুংঙাইপা ন্নুপা
চুতানাপাত। তনলা ৱুপাল সিতাপাকি পামেল বুখোঙথা ন্নুংঙাইপাতা
ঘোস, থাংহৈনগানা সানা লৈযক থাকুমপাতা চীঙঙু, কুকুম সিতাপাকি
মাসালবোল মাঙাং লাইনীঙসী আনৌপা চিপা মংলেল কোইপানা
যোইপাবেল নাইন্নুংচঙ খৈপীকপু হাংসী ঙম চংপীতুনা ন্নুবাং কুকুম
লৈকোইপ সাবাং মৈলৈপাস্নুঙ হাযেন মোইবামপাকা খুলচাল লাকা-
পাস্নুঙ মালতাঙ কুচুপাকা কমপো। মাহাবাপাস্নুঙ যোহপাবেল
নাহন্নু চঙ ঙ (তাকক) মানাচি না। মাঙাং লাইনীঙাসং আনৌপাকি
সানা মাখোঙখাতা যোইনা যৌখল থো না ফমফমলিঙৈতা ন্নুৱাং
নিংথৌ পলসীপানা ফুপাব লৈতাইতুনা পাংহংচাববযে। ২,২। হে
যীপুংঙু, যাইফাবেল য়াইফাপোই।, ত ইপঙ লৈবোল নোংলোল ১৪
(তাবামাবি) মাকি বাবম মান্নুংচলপাপু হে য়ীপু ঙু, নঙকি সামু মাঙতা
থানা খঙলিপা মাসেলনে।২,৩। মাললেম তাইপঙপালপা আসীকি

মাললেম লৈখোইরেলপু লৈপাক ফমপী কাতাইনা ৰোইরিকাপানো ।২,৪। লৈপাক পালপীরেল আতুতাকি মাহৈ মাপালমাপু সাৎলকলা-প্যাকা মাহৈ অথুমপা কারমপাপু পাললকপানো ।২,৫। লৈপাক কারম-পানা লৈপাক মাপাল নীঙথিপাপু য়াচাবিপানো ।২,৬। লৈপাককি থুমখোইপাতী মাললেম লৈপাক কারমপানা য়াথকলিপানো । ২,৭ । মাললেম লৈখোইরেলনা মাহৈ থুমখোইপা কারমপাপু চুপচারৌপানো । ২,৮ । নাতাইরেম য়ীখোয়পু ৰারম থাঙখৈ সেংনা পাংতোকপিঅো ।২,৯। হাইনা পাশহংচারাপাতা মাঙাং কূকম চিপা মংলেলকোইপানা পাওখুমলকয়ে। ২,১০। হে লুৰাং হোঙনেন লৈকোইপাঅো তাইপঙ পুমনামাকি ৰারম মান্নুংচলপাপু লুৰাং নঙপু হেলনা কানানা সালশঙ-লাকাপানো। ২,১১। পারি নঙকি নার্তাক আথোইপাপু খিচীকতা ৰাহমপীয়ককে পূকনীঙ সেনলোঙ নীকতানা নাতাচাঅো। ২,১২। লৈবোল নোংলোল ১৪ (তারামারি) মাপু পাফল লিল নি লৌপু ৰোইনা লুৰাং নঙনা পূপীরিয়ে হাইপাকি মালেন লৈনীহলপাঅো তৌনা কৌয়ে। ২,১৩। আসীস্কঙ মাতোমতে। ২,১৪।

লুৰাং নাহাকসাংকি হকসাং কিথুপ মাখাকিনা লৈখারোল ৬ (তারুক) মাপু সেমনাবিয়ে হাইপাকি খমচিঙকোলঅো কৌয়ে ।২,১৫। লুৰাং কিথুপ মায়াইকিনা তাইপঙপাল আসীতা মীকি লৈপাকপু তাইপঙ খুললিংনারিয়ে হাইপাকি লুৰাং কুরুম লৈচাং-পাঅো হাইনা কৌনারিপানে । ২,১৬ । লুৰাং তাঙচা লুরেলতোলনা ক্রো নোংলোল ৭ (তারেৎ) মাপু পুপীরিয়ে হাইপাকি কোনলোয় নামিংথোংপু লীকলা য়াথা থোপা নোংতোল খোঙকাংকনপাঅো

তৌনা কৌয়ে ।২,১৭। থৌবম আসী কুমপাপু পুমনা লৈরিপা নঙঙোনতা সিলফম কাবমপাপু মাঙাং ঐনা পাংতাকহৌকাপানো ।২,১৮। থারাই য়াইপীবেলকি মিবেল লালনা রাপু তাংচা সমপুম-মারমতা লুরাং নঙঙোনতা লাংপল আরোললুক চেঙপুম মানাওতোন-কুমপাপু ঐনা ললসিংপীপানে। ২,১৯। তাইপঙ পুমনামাকি মাতীক সুপথোইপাপু মাঙাং ঐনা কাবম খঙঙমকাপানো হাইঙমলোইয়ে। ২,২০। হাইনা থামোই লৈকান্নু। লৈকা মাখুন খুমনা রাবম সানফোংপাতাবাপাকি লুবাং হোঙনেম লৈকোইপাতী হকসাং মাতু লিং, সাবা তুখোঙ চুমনা থুমলেল যীচেলহাবকলে। ২,২১। তাংচা মালাই লাংনা পিবেল লাহচা মপা হৌবকলে ।২,২২। খুংফাং চেংনা লাল ফুপাক লৈতাং তুনা পাংহংচাবকয়ে ।২,২৩। হে যীপুংঙু নঙতা যাই-যাপেল মাইযাপালকতাকি লাংলেল বাথক লোলকম যাইফা সুপনা থাইপ। মাপ্ বেলনে ।২,২৪। তাইপঙ থাবাঙ পুমনমাকি খোংবাংহ মাসিল থমখোইপাপু থমলেল যীসৌ হৈপী, খোইপাং যীসৌ হৈপা আনীমাপু বুকম নঙ ন তাং। খো যম কানাকমপানা নেংতন-ঙমল্ল।নে। ।২,২৫। মাতানিবেম যীথোযক পাবাহ যীনিবেলপু লান-পিকে হাংপাকি নোং চেং নীমাকতা নাপী নাপা নাইতানা নাতোম সানফোংলকপানে ।২,২৬। নুকম নঙ মংতানা চীঙঙ কানাকমপানা তাকপিঙমলাকাপানো হাইনা পুনমচাখিযে। ২,২৭। সাবাং মেললৈপাস্থঙ পিবেল মীংপাল সিলনা হকসাং পামনা নীবলকলে। ২,২৮। য়াথং লৈসি লৈথোন যোপনা রাকৎচাবকযে। । ২,২৯। হে য়ীপুংঙু যাইফা থোইপা নঙতী খোইবাকম নাবী থাংতে, তিংকোই-

কুম নাতারমতাপাকি চাপোক কা তাংসিনপা নাওতা খোংতোল সাং-পারকতা য়াওতাপাকি লীকলাং কোনকা তাপা, য়েননা চালাং থাংনা তেকতা লাইকোই থোংফাতাপাক চোয়নৌ সানা মৈথাংকোনকুম সানা কোনচু মাঙফাতাপাতী কুকুম যাইপীবেল সিতাপা নঙনে। ।২,৩০। নাতাইবেম য়ীখোযপ্ পাওতাক ফাবোল নাইপীবাকুনো হাইনা ব্রাকৎচাখিযে। ২,৩১। চেংলৈ নিংথৌহলপা মিংলেল নোংহুম-পাস্নুঙ চাংচৌ চেপনা লোল মাললেম লৈতা পকনা ব্রাকৎচাখিযে ।২,৩২। হে যীপুঙু নঙতুন মাচি যাংমাবনে ।২,৩৩। থাবাই নিংসা পাললিপা খৈপীক ক থামোহ লৈকানুংতা সীনপা থুংনা লৈপাবিযে হাইপাক হে যীপুঙু নঙকি কোনলোয নামংথোংপু মাঙাং কুকুম চিপা মংলেলকোইপাআো তৌনা কৌনাবিযে ।২,৩৪। কুকুম নঙপ্ পংতানা লাহ কানাকুমপানা তাকপিঙমলাবোইযে হাইনা আস্লম পুকমচাখিযে ।২,৩৫। নিংথৌ নাৰ্জা খোংনা সাম মাখুৎ লোলনা ব্রাকৎচাখিযে। ২,৩৬। হে কুকম নঙতুম লাই খৈপীকতাকি সানা চীঙকুমপানে। ২,৩৭। থাবাই পুননামাকি খোযচি মহুল পিপা, নাকলু কি য়াললিতা নাৱা মোমচেলপা খৈর্পাকক পালকন চৈসৌ বোইপীবপাপু লাই কানাকুমপানা তৌঙমালপানো। ২,৩৮। মাবম আসাকি ক্লোনলোয নামংথোংপু চিপা মংলেল কোইপাআো হাইনা কৌনাবিযে। ২,৩৯। যৌবম কাবকি থামোই লৈবা মাথুম খুমনা থমপীরাপানো হাইনা পুকমচাখিযে। ২,৪০ ।

হাযেন নিংথৌ মোইবামপানা ফুপাক লৈতাই তুনা ব্রাকৎচাখিযে ।২,৪১। হে য়ীপুংঙু যোইকোইপা নঙতি লৈবোল নোংলোল

আহুমনাকি কাসা য়াইনিংথোনে। ২,৪১। হীমাক যাইকোলন্থংকি মিরেল থা মায়োলকুম নাওৱা মোমচেলতানা সানফোংলকয়ে হাই-পাকি কুকুম কোনলোয় নামিংথোংগু বুকম আতিংকোকতো তৌনা কৌয়ে। ২.৪৩। লাইচা তারঙথককি ঙনখৈ পালতম নাইতাপা অসীতা পারাই লালনা হিপু চীঙঙু কানানা তোংচেং হনাও সাঙম-লাকপানো। ২,৪৪। খোইযুম মাইকৈ ঙাকপা৮ (নিপাল) মানাচিংনা থারাই মাথানাকি হিগাংযনপু শঙতানা পাললিপা মাসেলনে। ২,৪৫। থৌবন আসী য়েংনা নাতাংরেন য়ীখোয়গু খোঁচাল তাইহেল নাইপী-রাকুনো হাইনা পুনেমচাখিয়ে। ২.৪৬।

খুনচাল লাকাপাসঙ চাংচৌ চেপনালোলনা রাকৎচাখয়ে। ২,৪৭ য়াংফাবেল য়াইখাপা খৈপাকক লুচিংলি। হে রাপুংঙু তাথে। ২,৪৮। নাতাইরেম য়ীখোয়কি পারাং য়ীমবেলপু সানা ফুখোংখাতা কুকুম নঙপু নংতানা তাঙচা সমপুম মারমতাআপু খোইয়ম কনাবুমপানা তৌপাঙমলাকপানো। ২.৪৯। চীঙঙু লাহয়াম খৈপাকর্তা রায়েল লৌবকচলালপাক ললল। হু খৌরী আমৈপানা পুললপা মাসেলনে। ২,৫০। খুমলেল নাথৌচালপু খোঁচাল নমমুকনানা খুপাপিরাকুনো। ২,৫১। মাললেন লৈসেমলোল ক্রৌ নোংহোবা আরপাপু নাতাঙপানা লাংচা যখৈলাকুললে। ২,৫২। হাইনা আসুম রাকৎচারাপাতা য়োইপারেল মাপাক ও (তারক) মা কে য়াবং খোঁথল আখুমপাপু বুলপী পুকনীও পেলপা-রাপাকি মাঙাং লাইনীঙসিং আনৌপানা থামোই লৈকা মাখুম হাংনা মাললেন লৈসেমলোন আরিপাপু ফোংথোকপিবকলে। ২.৫৩।

তাঅো তাঅো, হে য়োইপারেল য়ীপারি লুৱাং হোঙনেম লৈকোইপাঅো নঙনাচিংনা নঙখোয় ৬ (তাকুক) মাকি য়াথং পাওহং ৱা আসীপু তাইপঙ নোংসাপালতা পুমনা লৈতারিয়ে। ২,৫৪। মীপোক য়াইকাপা নঙখোযকি য়াথং পাওহংবা আসীপু মাঙাং লৈঅনা ঙাকঙমলাবোইযে। ২,৫৫। তাঙচা সনপুম মারমতাআপু ৱাহমলককে রুলপী পুকনীঙ পীনা নাতাচাঅো। ২,৫৬। তাইপঙ পুমনামাকি লৈপাক পাল নীবেল মাললেম লৈহৌযমতী পোইবৈ লৈতৈ লৈপাক আসীনে। ২,৫৭। লৈপাক ফিথুপ নাংক ৩ (তাকুম) স্থইযে। ২,৫৮। তাইপঙ পুমনামাকি লৈপাক নামিংলেলতা থম-পালঅো তৌনা কৌযে। ২,৫৯। থমপাল লৈখোঙলেলতী সীঙলেল লৈবী চং, লৈবাং লৈখোঙ লামনা নোংপোক পুঙযাল লমতা চংপি-বে। ২,৬০। সীঙলেল পানশীবেলতা খোইয়মসিতা [illegible]না থমপাল লৈখোক পাযনা খামলৌবে। ২,৬১। লৈখোক মাকি [illegible] লৈপাক মাকি নাইন তি [illegible] খোঙব হুনলৈ[illegible]। ২,৬২। লৈপাক মারমচংস্থঙ অকন আনৌ য লননা চংলানে। ২,৬৩। থমপাল লৈতোল নীঙথপাতী পানা পাংগা মাইকৈবম লংথাখিবপাকা নোংচুপ পাংপা মাইকৈবমতা থমপাল লৈক। কলন। সাংলমযে। ২,৬৪। লৈয়োন নিংথিপাকি সাঙলেল মামাল লৌনা লৈপাক পুমনামপূ লংনাই সেংপাবাকুমনা লমচং গোইনা সেংগোহৈঙনে। ২,৬৫। পামেল মাকিংনাইপাকি তিংখং খোঙযু গোইপাপু সোঙনা লৈঙম-লোইয়ে। ২,৬৬। সীঙলেল লৈথেক অমানা ক্রৌ নোংমাতোল আরাংপাতা চোংথংখিরাপাকা তাইপঙ পুমনা সীননা সীঙলেল

লৈকা ফল লৈরাং লৈনা কুপনা পাললিপানে । ২,৬৭ । আতুনোংকিপ্ন সীঙলেল লৈমিং লৌনা মাললেম লৈমাযোলঅো মিংথোললময়ে । ২,৬৮ । হে লুৱাং সললাইহলপাঅো মাঙাং ঠৈঅনা যাথং মাচেংমাতাআপ্ন য়োইপাবেল নঙখোযত। হ। লফেৎ পাঙমেল-লমপানে । ২,৬৯ । থৌবম আসীকি থাবম মান্নুংচলপাপু লৈর্বিয়ে । ২,৭০ । খোইবাকুম মার্না পা, তি কোইকুম মাতাবানপা সেকমোম কাইমোমন্নুংতা ক মাললেম লৈহৌ নোংহৌ বাপ্ন নাঙাং যীতীক বোইতাযীকুম, সানা সাচৈ সং, সাদা চূমমি নাক, মাললেম লৈপাক মাখুম হানা শিচীকতা বাহমলককে । ২,৭১ । ব্নলপী পুকনীঙ তপনা নাতাঅো । ২,৭২ । হাইনা আস্লম পাতোন পনমপা মাললেম লৈ-সেমলোল আবিপা আসীপ্ন হে লাইবেল নৈতে ঙ্ন পামইপাঅো নিংথৌ মাঙতা থানা থাপা লীকলেং সীনবম বাহমলককে ব্নলপী পুকনীঙ তপনা নাতাঅো । ২,৭৩ । নীংথোক যাইযাপা আহল মাতম বোইনা পুলসী চাহৈ কুইনাপা মাললেম লৈপাক কোকপা অযামপা স্নঙ নোংপোক অঙৌ । মপানাচনা নঙখোয অযামপাস্নঙ ব্নলপী পুকনীঙ তপনা নাতাঅো । ২,৭৪ । হাযি হায়াই হে ॥ ২,৭৫ ॥ (★) ॥

৩ সুবা পনখৈ

নাঙাং কুকুম চিপা মংলেল কোইপানা বাহনলকয়ে। ৩,১। হে কুকুম লৈচাঙপাঅো সাবাং নিংথৌ নেলখোমপা, নিংথৌ নাঙথীং খোং নঙখোয ৩ (অহুম) মানাচিংনা য়োইপাবেল যাঁপাবি আয়ামপা নঙখোয়সুঙ ব্রুলপী সেললোঙ নীকতানা নাত্তাঅো। ৩,২। তাইপঙ পুমনামা আসীপু আতিংঙা ঙমখৈ পালতম নাইতানা মাতম কায়ামা-বমপু কুইনা হেলংবিপাতা আতিং পীপুকন্নুংতাকি নুংসীং আপিসা আমাকা লীকলা যাইবংচাল মাতুম আমাকা আনীমাপু চক হাকথক আমাকি রাযেল নোংতমনাপাপু মাঙহালতানা নোংতমলিপাকি নুংসীং সিতাপা আতুকা লীকলা যাইবংচালকা আনীমাপু গুংরোন পুকতিল-নাবাপাকি মি মাক্ পালকনপা অমাপু নাঙনৌরকলে। ৩,৩। মাকু মাহাককি কাইতোং খুযমমাপু লৈতাপাকি তাইপঙ মাইকৈ পুমনা কোইনা কাইতোং খুফম খিঙমপাতা ফমপী মাঙফাতাপা লীকলা য়াইকোলন্নুংবি খোইয়ম মাপুবেল আথোইপাসুঙ মাললেম লৈসেম-লাইতমকি চক মাতম ফংলকলাপাতা চীঙঙু সামু মাহাকসাংপু ক্রৌ নোংলুম মাসক রোইনা লংথারকলে। ৩,৪। খোইয়ম পাইমা

মানিংসাকি সানা তাঙপল থকতা তোংনা খোনসেল য়াইপীরেলকি মাসক রোইরিপানীকিনা চেংলৌ মাসক আরেপপাপু সানফোংলকতারিয়ে । ৩,৫ । খোইয়ম মাঙাল আরাপাতী নুমীৎ লাখা আমা (লীসীঙ তারা) পু ঙমচানা তাইপঙ পুম্না ঙালনা সানফোংলকলাপাতা চীঙঙু অং খোনসেল থুমখোইপাপু তানা মি মাকু পুলসীপাতী বুলপা পুকনীঙ ঙক, চাঙঙু মাঙাল য়েংনা পাইসিলখিপাপু খোইয়ম সিতাপানা য়াবা খোনসেল ঙংনা পাওহংঙামেয়ে । ৩,৬ । তাইপঙ আমমপা আসীতা চীঙঙু অৈপু হালনা লৈঙমগা নঙপু কানানো হাইনা আস্থুম পাওহংলকপাপু মাকু পুলসীপানা পাওখুমখিয়ে । ৩,৭ । চেংলৌ নাসক বুহালতানা খোনসেল লৈবাং আতিংঙানা পাওহংলকপা নঙতুম কনানো । ৩,৮ । মাকু অৈপু সালখঙহালঅো । ৩,৯ । অৈতা মি মাকুপালকনপানে । ৩,১০ । পোলপী অৈপু কাইতোং থুকম তিপাকি আরা মাথৈ লৈতানা পাহনা লৈঙমপানে । ৩,১১ । খোনসেল আতিংঙা নঙতুম ফমপী কাতাইরমতাকি ফোংখোকলকপানো । ৩,১২ । চেকলা অৈপু বারম থাংথৈ সেংনা পাওতাকপিঅো । ৩,১৩ । হে খোনসেল আতিংঙা নঙকি নাঙাল আরাপাপু মীৎয়েং সানথৈপাতী চীঙঙু লাইমারুকুময়ে । ৩,১৪ । খোইয়ম মাসক আরেপপাপু রোইরাপাতী নাসক আরেপপাপু বুৎপীঅো ।৩,১৫ । হাইনা মাকু পুলসীপাতি কাওপী চীকালুকনা আস্থুম পাওহংচারাপাতা চীঙঙু মাপুরেলতী মাকু মাতৌ য়েংনা নুংসিপীরাপাকি খোইয়ম মাসক আরেপপাপু কুমসীঙ চাহৈ ১৫ (তারামাঙা) কি আঙাং পুকনীঙ হুপাপু রোইনা ফোংখোকপিরকলাপাকা মাকু চিপা হলনুপাতা পাওহংলকয়ে । ৩,১৬ ।

হে মাক পুলসীপ। নঙপু আতিঙ। পালতম নাইতাপা আসীতা চীঙঙ, যীমাঙ শানা মাতম কায। কুহনা লৈঙমলাপানো হাইনা পান্হং-লকপাপু মাকু পুলসীপানা পা খ্নমলকয়ে। ৩,১৭। নাতাইবেম অৈকি চেকলা যীপুলসীপু চাহে কমসীঙ লাকনা কানানা শিঙমলাকাপানো। ৩,১৮। চক হ কথক ৬৪ (জমফুমারি) স্থনা লৈঙামলে। ৩,১৯। মাকু অৈনা কাংতোং হমপী শীপাকি নোংপোক মাইকৈ লমতা চক হাকথক আমাপু পাইবনলুপাপু চীঙলেল চাংখোইপা আমাতাআপু বোকনাববতে। ৩,২০। মাইকৈ খানা পাংপাবমতাস্থঙ চক হাকথক আমাস্থনা কাহতোং খুফম শিকুপাস্থঙ তনলা বুপালমাপু হৌঙামতে। ৩,২১। নোংচংগ পাংপা মাইকৈবমতাস্থঙ চক হাকথক অনাস্থনা পাইবমলুপাপু থাবাই কানাকুমপাপু মাকু যীমাঙ খলনা লৈঙাম-তে। ৩,২২। তৌযীকুম মাতৌ বোনথেকপা আমাপু লৈঙমযে চীঙঙ, পুকনীঙ তপনা নাতাপীঅো। ৩,২৩। আবাং পাংপা মাই-কৈবমতা চক হাকথক আমাস্থনা পাইখৎলমলুপাতা নুংসীং আযাং-পাপু ফংলুপাপাক পোলপী যীখোঙ যাঙ, চেকলা যীপা খোইনা লুংথম তাবকচলপা। আশম ফকফা নীককম চেকলা সাফু ঙমতানা মাতম কাযাকুহনা পাইখৎশিবাপাতা চকমোম মৈক নুংসীং আসা-পাপু লমরোকনাকবাপাক মৈবি মাথ নাহ, খানপী মারাং হৌপাপু য়েংনা বুলপী পুকনীঙ ঙকযে। ৩,২৪। থাবাই কানাকুমপানা থৌপা ঙমলারাকাপানো। ৩,২৫। নাতাইবেম অৈস্থঙ বুলপী পুকনীঙ লেপনা চকমোম মৈপীগ তা মাকু থাবাই মাঙনা সিখিবাপাস্থঙ চেকলা চীঙঙ, যীরাইপকনে। ৩,২৬। কাইতোং ফমপী খঙতাপাকি আবা

মৈশা লাংপানা থোইসিললকলে । ৩,২৭ । থারাই হিংনা লৈতুনা থৌরম কাননারাসীপানো, পোলপী থারাই য়ীমিরেলপু থাথোকল্লাকে হাইনা চীঙঙু নোংতমলিপাপু তেংথানানা মীকপালিঙৈতা ক্রৌ নোং-মাতোলতাকি নোংলুম মাসক রোইনা পাইথারকল্লাপাকা থোইয়ম য়ারা মাথোনসেল আঙংপাপু নাতাইরেম তৈনা নাতারাপাকি চেকলা য়িসা চোকপানাচিংনা তারাচা পুকলামপা, লাইচা য়িথৌলাংপা থৈপীকপু কোকথিরাপাকা বুলপী পুকমীঙ চঙথোনপাবু ললকুপীরাপাকি আরাম থৌরাংপা আরা ভুইরাং সোলপা থৈপীকপু থোকাহাললা-পাতা চীঙঙু পোইকোইপানা য়ারা খোনসেল থোকনা রাহমলকলে । ৩,২৮ । হে মাকু পুলসীপাতো চকমোম মৈতারেঙ অরাপানা ক্রৌ নোংথোঙ ঙাকলিপা আসীপ্ হেলনা পঙনা পাইখৎফারোইয়ে । ৩,২৯ । খামপী মৈকি পললোল আসীপ্ হেলথিরাপাতী থাঙলেল মায়া আথৌপাকুম হুংসীৎ থোইনা হৈপাপু লৈরিয়ে । ৩,৩০ । মাকু নঙপু নাথোঙ নাসা সোইনা থারাই লেমনা মাঙলাঙৈনে । ৩,৩১ । চক কুমসীঙ কায়াকুইনা পুলসী চাহৈ সাংঙমলাকি মাহৈ রাচামলপু পুমনা লৈরারোইয়ে । ৩.৩২ । রাচুম সানা য়াইকোলন্নুং-সুঙ হীমারু য়াইকোলন্নুংকা লীকলা থুমকোংপাকি থুমলেল য়াইকো-লন্নুং মকতাপা আহুমমার্তা মাকু নাতীক লংতে পঙনা ফংফারোইয়ে । ৩,৩৩ । মীপোক য়াইফাপা থাবাই চংথোনপাসিংনা পাথুপ লৈনেম থৌতা মারাল হুমবোইনাপাকি হকসাং মৈরা থালকুমল্লাপাসিংনা লাইনীঙ রাচামলকি আরা য়ীসৌলাংতানা তানফংচাকাপানে । ৩,৩৪ । হে মাকু পুলসীপা নঙর্তা চেকলা নাপুলসীতাআপু পঙনা কুইচাঙাম-

পা নাঙাইয়ে। ৩,৩৫। খোইয়ম লাইকি থৌতাপাওতাক পোৎসক খওতাপা চীঙঙ্ লাইনীঙ থৌত। লীকলা পীসিলতোল মারমতাআপু লৈতারিপা নওনা কারম তানফ চাঙমকাপানে। থুনা হুলব্রাইখিরো। ৩,৩৬। মাললেন লৈসেমলাইতমকি ব্রায়েল মাতম ফংসিললকলে। ৩,৩৭। চীঙঙ্ মাংরেল আথোইপাপু ফংচারাঙৈনে। ৩,৩৮। মাকু নানীঙতমনা থৌখলচাকরো। ৩,৩৯। হাইনা পাওতাকপিরম-লাপাকা চেংলৌ সক ব্রুহলতানা মাঙখবে। ৩,৪০। নাতাইরেম কৈঅস্রুঙ চীঙঙ্ কোনলোয় মাযাথংপু তাঙচা কোকতা থোংনা হলরাই-বকপাপ্ আসাইঙৈকি ঙুংসীং আয়ীংপাস্লিঙ চীঙঙ্ মাথৌচালনা মন্ড পিঙমলাপাকি আব্রা য়ীসৌ লাংতানা মীবাল হলব্রাইরকলা-পাকো মাক যীতোমমাপু ক্রৌ গোইনা, ব্রাঙপল পানা যেংনা লৈ-ঙামপাতা অতিংঙ পুননা ঙালনা ফাওবপা হ যীপংঙ্ খোনসেল লেবং অাতিংঙা নওপু কানানো। ৩,৪১। হাইনা আস্থম য়াব্রা খোনসেল লাওনা তেংথা মীকপচাবাপতা মকু মতৌ ঙুংসিপাপু যেংনা থৌচালপীবাপকি চীঙঙ্ মাপ্রেল লাইকি লাই সিত-পাতী চাকৈ ১৫ (তানানঙা) কি মীবেচ চেংলৌ নাগোকলক পা চোয়নৌ সনা আহংপাকি সকলেন নাঙাল অাপাপাপ লাকঙম-তানা তাইপঙ পুননা ঙালনা এহমলকযে। ৩,৪২। হে মাক পুলসীপা নওতা নাতোন কাহতো খুযন খিনা কানম লৈঙমপানো। ৩,৪৩। চকলা নাসাতোলপূ কাবম চাকতাপ নে। ৩,৪৪। তাবা নাচীন-চাকুঙ চীনচ ক নাবিক্যমপাপু চাঙানপানো। ৩,৪৫। মাকু নওকী পালকন অচৌপা থামীনপাপু মাতীক কানা হাইঙমকাপানো।

। ৩,৪৬। হে মাবু পুলসীপা নঙতী খোইযম সিতাপা ঐকি সাম
যীহাক্সাংকুমপা মাহাকনে। ৩,৪৭। হায়না চীঙঙু পা না মাপিং-
সাকি সানা তাঙ ল মাচেৎমাপু থাইবাপাকা মাকু কাইতোংবগা
বোইনা আবা পাংগাহাললে। ৩,৪৮। খোইযন সিতাপানা হে মকু
পুলসীপা নঙতী পারাং নংসা পাল লপা ইশাকপু চেবলা নঙনা
হালঙামযে। ৩,৪৯। কোনলোই নাপংদে। পু ন মাকু আহলপাঞো
কৌনাস্লুনো। ৩,৫০। চীঙঙু সিতাপা ঐঅস্ত ন ললেম লৈসেম চক
ফংলকলাপাকি আ ত ঙা খোইখৈবেল অ সীপ যিলত লল না নে
। ৩,৫১। মাকু যীশীঙঙা লেংইনানা মলালেন লৈসেমনানাসে। ৩,৫২।
চীঙঙু ঐঅপু খোইযম আপোনপাপ নতে। ৩,৫৩। হীমাব হ
কোলন্নুংতাবি চীঙঙু লাইনিঙস অহাল। মাহাকনে ৩,৫৪।
মি মাকু পালকন। নঙতী কা তো খুকনলেল থাসি চনা
ঙাকঙানঞো। ৩,৫৫। খোইযন লানীঙপ ঐঅতি আ লা
পাংপাবনত। তাইপঙ মিগতে তে পোল যা ননচাঙ তা ন নং।
চীঙতেমপোক মাহৈ যাইবা চীঙপি চোংনৌ সান চীঙ ন ললেম
লৈতুপাপু সালসেমনুংশিকে হান। পাইমলকং। মি মাকু নাপ
পানা চা চৌ চেপনা লোলনা নাবৎচাখিযে। ৩,৫৬। হে যীপুংঙু
চীঙঙু সিতাপাঞো ন তাইবেন ঐঅপু নাতম কাযা থু সা না লৈঙাম-
ঞো হাইপানো। ৩,৫৭। ন তাংবেম ঐঅতী আবান পৌবাপানা-
চি না চেকলা যিসা চোকপাকি পালকন যিবেং তাপাপু পুমনা লৈবম-
তে। ৩,৫৮। হে যীপুংঙু খোইযম সিতাপা নঙপু তানফংচাবাপা
আসাতা আরাম খৌবাংপাস্থঙ মাকু য়িসা চোকনা পালকন যিয়েং

তাপাপু খোইসিললকলে। ৩,৫৯। মাতৌ কারমপাপু রোইরাপানো রোনখোকয়ে। ৩,৬০। নাতাইরেম লৈঅকি পালকন চৈসৌ রোইনাপাপু হে খোইয়ম সিতাপা নঙনা পালকন য়ীচৈস্থ লোকলৌ পানম য়ীনমখাঙ রোইনাপাপু ললকুপীরমম্মো। ৩,৬১। হাইনা আসুম পকমচাবাপাতা চাঙঙু মাপুবেল সিতাপানা মাকু পুলসীপাকি নাকোঙ খোঙচাপবেল আনীমাতা লাইমিং মিংথৈরেল আখোইপাপু নিংসা চৈবোইননা কানসলপীরাপাতা মাকু পুলসীপাতী আবাম খৌখাংপানা চংনা সাকন মাসা চোকপাপু নাঙখিরাপাকি নোংসা পালকনপা লীসাঙ আমাকি পালকন মাতীক কনহৌবকলে। ৩,৬২। খোইয়ম লাইনীঙসিং আহালপাস্থঙ নিংসা ফালতেংনাকি খোঙরোইনানা আরা লানা পাংপারমতা চুলখংখিরে। ৩,৬৩। হাইনা মাঙ চপা মংলেল কোইপা লাইনীঙসিং আনৌপানা য়োইপারেল নাতাইবেম পমনামাতা পাংতাক পিরমপা বাবম আচেংপানে। ৩,৬৪। হে নিখোক যাইফাপাসিংঅো নঙখোয়পু হৈবোম সিতাপাকা ক সানা মিথৈলল আনীমাপু সোলনা নাতাপঅো। ৩,৬৫। পুলসী মাখোই তেনা য়াইফা নাবাংকাইপাপু লেপনা তালফংচাঙিনে। ৩,৬৬। হে লা-রেল মৈতেংঙু পাময়হপাঅো নিংথৌ নঙকি সানা কোলম্নুংলেল মাখার খুংক্রুচাঙ আসীতা লাইচী হালনা নাললেম লৈহৌলাঙৈনে। ৩,৬৭। খুলপা সেললোঙ নীকতানা নাতাপো। ৩,৬৮। নাপোইবৈ সানা পুঙমায়োন আসীকি মাতাক আকপাপু লোমনা হাইঙমল্লোয়ে। ৩,৬৯। তৌয়ীকুম তাঙচা সমপুনমারমতাআপু রাইমলককে। ৩,৭০। হে নোংপাল আঙৌপামপা নাললেম লৈপাক

কোইপা খৈপীককি লু চিংলিপা সীনৌ নোংথোলপা আনীমানাচিংনা মাললেম লৈপাক কোইপাসিংঅো নঙথোয়স্তঙ বুলপা পুকনীঙ তপনা নাতাঅো। ৩,৭১। হায়ি হায়াই হে ॥ ৩,৭২ ॥ (★) ॥

৪ সুবা পনথৈ

আসাইথৈকি চীঙঙু মাপুরেল লাইনীঙসিং আহালপাতী পুক্নীঙ আকি চঙলে। ৪,১। মাকু মাকি কাইতোংফমতী লাইচা য়ীনোং আচৌপা আতুনা থমপীতারে হাইয়ে। ৪,২। চীঙঙু য়াই-পীবেল সিতাপাতী খোইয়ম সমলাংনুংতাকি তাঙচা সমপুনমাপু লাইচা তারঙ থকতা লংথারকলে। ৪,৩। নোংতারেল্ য়াইনমসাকি মিন্নাং আপিসাপু মালনা সমলাং তাঙচা লুরেলতোলতী লাইচা কোংপোল মালয়ে। ৪,৪। (কোংপোল লীকল্মানুংতা সীঙলেল খোঙহৌথৈ থমপাল ভৌচুনাপা আমাপু লৈবাং লৈনম চাগনা হোৱকলে। ৪,৪। সীঙলেল লৈয়োলনুংতা খোইয়ম লাইনীঙসিং আহালপাতী হীকোক চুতানাপা মতাবেঙ তানৌপাকি নাওৱা মাস্থং মালকুম সালৱোনলক-লাপাকা মাঙাল আৱাপাপু লাকঙমতানা ৱুলপী পুননীঙ হুয়ে।৪,৫।

আসাইথৈকি খোইয়ম লাইনীঙসিং আহালপাতী মি মাকু পুলসীপাকি চেকলা কাইতোংফমপু য়িলতাললকলে। ৪,৬। মাক পালকনপাতী পাইমা ৱুলকোইনুংতা নীঙথনখিয়ে। ৪,৭ লাইচা তারঙ থকতাকি কোংপোল লীকলা মানুংতা নীঙথি পূকনীঙ হুপা

আসীপু খোইয়ম কানাকুমপাপুনারিপানো হাইনা পাঙহংখিয়ে ; ৪,৮। মাকু অৈকি কাইতোং খুফমলেল আসীপু তালনা নকসিললকপা নঙপূ কানানো । ৪,৯ । চেকলা ক্রৌ য়ীনোংগৌ ক্রুম য়ীকাসাপু রোইরাপারা । ৪,১০ ক্রুম য়ীনোংগৌপু নংতানা চীঙঙু চুমতাপা খোইয়ম মীনমপাপু রোইরাপাতী মাকু য়ীফমলেল আসীতা নকসিললককনো । ৪.১১ । হাইনা রাহমলকপাপ লাইনীঙসং আহলপানা নীঙখনখিয়ে । ৪,১২ । মি মাকু আসীকি পুকনীঙ আবেপপাপু রারম থাঙৈ সেংনা সালখঙলাকে হাইপাকি য়াথং আয়াকপানা পাঙখুমলকয়ে । ৪,১৩। হে মাকু ফংতাপা পোলপা সিথৈচল, চেকলা মানুখাঙ, থারাই মীকৌ হৈপাকি সারি পাংতাকচেলপা। মাকু নঙকুমপানা চীঙঙু অৈপু পৌরোইতানা কারিকি পাংহংলকপানো । ৪,১৪। চেকলা মীনমপা নঙপু খোইযম কানাকুমপানা [illegible]মপানো। ৪,১৫। মাকু নঙ ক কাইতোংফম আসীতী হায়েং মাললেম লৈসেমলাপাকা মোংপা য়োইসাকাকি কাসা পাংতাকফমদা রোইরাঙৈনে। ৪,১৬। মাকু নাতীক নংতে, চেকলা পোংপা ফাগোইয়ে; নঙপু থুনা চাইগোকলে। ৪,১৭ । হান না তানখোকলাপাপু মি মাকু পুলসীপাতী কনচাও মৈরা হৌনা রাহমলকয়ে। ৪.১৮ । কোপোল লীকলা মানুং কি হে আঙাং আপিসা নঙনা মাকু য়ীতীক খঙতানা কারিকি রাহমলাপানো । ৪,১৯ । আতঙা আনম মীংপু ঙক । আসাতা মাতম কায়ামারমপু লাকঙমতানা হেলখরাপা মাতুতা চক হাকথক ৬৪ (হুমফুমা'র) সুনা মাকু অৈকি কাইতোং ফমপী থিনা পাইঙমপাপু তারা চাতংতা লাইচা য়ীয়োংতানা লৈঙমপাসুঙ

মাকু পাৱাই মাঙনা নোংমলঙমতাপা পোলপী চেক নামুং মি মাকু সিতাপানে । ৪,২০ । হৌচীক মাতম আসীতাস্তঙ চীঙঙ, ল্যাই-নীঙসিং অহাল্লপানা নাকোঙ খোঙচা'ৱেলতা হ ৱ স মিংলেল সিতাপা আক্তমমাপু কানসিলসীৱাপাকি যোইপাবেল নাইন্নুংচঙ বোই'াপ্ তালফংচাবাপাতা কাইতোং ফমপী আগোইপা আসীপ চেৎনা ঙাকঙামঅো হাইনা মাকু ঐঅপ্ খৌপারময়ে। ৪,২১।

আস্তম চেকলা মাকন হৌ. পোলপী সাক্তম চাও, মাকু মাঙক তিংনা তাল'সললকলে । ৪,২২ । ক্কুম য়োইপারেল আনীমাতী তাবঙাকতা হেৰল লালসোকনাকে তৌকুমলাপাকি চীঙঙু মাপু-বেলনা নীঙখনখিয়ে । ৪,২৩ । মি মাকু পুলসীপা আসীপ পুলপী কনীঙ লেপলে । ৪,২৪ । চেবলাপ্ হেৰল লালসোকনাফারেখিয়ে হাংনা যাপ আফাপানা বাহমলকয়ে । ৪,২৫ । হে নি মাকু পুলসী-পাঅে। নঙ'ং কনীঙ আবেনপাপ খোম্ঘম ঐঅনা সালংঙলে । ৪,২৬ । চেকলা পকনীঙ কংচাপপাপ ঐবংলে। । ৪,২৭ । মাকু নঙক ক্রুম নাকাসাপ্ চীঙঙু সিতাপা ঐঅনে । ৪,২৮ । মাললেম লৈসেমপৌকি তাংক সকনোম কাইমোনন্নুংকি লকতাবৈ নোংতা-ৱৈ ৱায়েল হৌনা লৈখা সকহৈ তানলাসে হাইনা খৌখানসিললে । ৪,২৯ । মাক পুলসীপানা কাপ, চীকা লুকম, পাকংচাখিয়ে । ৪,৩০ । পাবাং থীমবেলক কসা যাইনিংঙৌঅো নাতাইৱেম অায়েনপাপ হলন-হলন। ঙাকপিঅো হাইনা পনেনচাবাাকা চীঙঙু সিতাপাস্তঙ খোইয়ুম কোনলোয় মামিং হোংন হোললেল হালপা লাইমাক্রুঅো কৌৱাপাক্র।মাকু পলসীপাতা বাহমপয়ে । ৪,৩১ । হে নি মাকু পাল কনপাঅো নঙতা তাবঙ পলতোল আহৈপাপু লৈৱাহমুপী কোইনা

মীৎয়েং সানখৈরুঅো হাইনা রাহমলাপাপ্প মাকু পালকনপাতী খোইয়ম মাখোঙখাতা কাংপী চীকা লুকনা প্পনেমচারাপাকা নোংলেম খানা পাংপা লমতা চেকলা খোঙসানলকলে হাইতাপারা । ৪,৩২ ।

হাললেল হালপা লাইমাকস্থঙ তাঙচা সমখোকনুংকি সীঙলেল খোইহৌলৈ থমপাল লৈয়ায়থকতা লেমলৈ ঙানংপৌ লাইচা য়ীচু মালপাপু সালরোললকলে । ৪,৩৩ । লেমলৈ ঙামায়োন পুমনামাকি কুবম লাইনীঙফমপ্প রোইরাঙৈনে । ৪,৩৪ । লেমলৈ ঙাথক খোলনা পাখল লিললা নিংখৌ রোইতুনা ফাইচৈ কাবল লাকলে । ৪,৩৫ । তুপী মামিংখোংপু পাফল আরিপাঙো তৌনা কৌয়ে । ৪,৩৬ । লাই-রেল খোংহৌরৈ থমপাল হীকোক চুতানাপা আমাপু সানফোংলকলে । ৪,৩৭ । সীঙলেল লৈতাক মাঙা চঙয়ে । ৪,৩৮ । লীকলা থুমখোই-পাস্থঙ সাকক আহুম তললিয়ে ।৪,৩৯। খোইয়ম লাইমাকস্থঙ থমপাল লৈয়াহথকতা খামপী মৈপী চুতানাপা ।থিংকু লাইয়ীপাচাপ্প সালরোল লাপাতা থিংকু থকতা খোলনা লাইরেল হিংঙোল মালপাপু খোইনা য়াহীপলাপাকা লাইখেল সাংেক যৈপ্প লৈবে। সাবে । ৪ ৪০ । তুপী মামিংখোংতী ঙাংহল চাংখোইপাঅো তৌনা কৌয়ে । ৪,৪১ । লাইবেল খোয়'চনুংকি সীঙলেল সানা চতানাপা তানাপু লৈকা ফলনা সাংলকলে । ৪,৪২ । সীঙলেল লৈকা তাবক চঙয়ে । ৪,৪৩ । লীকলা খুমখোইপাতী সাকক মারি মাচেৎ হুললিপানে । ৪-৪৪ । থমপাল লৈয়াংথকতা খোইয়ম সিতাপাস্থঙ কাংরোই সারিকপাকি রোকলেল ঙাঙচুনাপাপ্প সালরোনলকলে । ৪,৪৫ । রোকলেল থকতা খোলনা চামেল চতানাপা লাইরেল তাচৌপা আমানা খারাই

লাইচম খনকুম সুঙতাই কারল লাকলে। ৪,৪৬। পাফল মামিং-থোংপু কাংরোই য়াইমাপাআো তৌনা কৌয়ে। ৪,৪৭। তুপী খোয়চিনুংকি লৈরাং হিংঙোন মালপাপু সীঙলেল লৈনম চানা সালকোলকলে। ৪,৪৮। লৈরাং লৈতিক তাকক চঙয়ে। ৪,৪৯। লীকলা থুমখোইগাসুঙ মাঙাসুনা হুললিংনে। ৪.৫০।

হে লুরাং সালাংহলপাআো চীঙঙু মাথৌরাং আসীপু থোরম রোনথোকপানে। ৪,৫১। থমপাল লৈয়াই কতা লৈর লৈফানপী, লৈহৌ কাংচেৎস', সামু য়াংনা নংথৌ আঙৌপা লাংকোই মায়া মাপি পালপাপু পোকলকলে। ৪,৫২। য়াথক য়াখা ৪ (মারি) মাসুঙ থুচীন মেইকাংতোল ২০ (কুন) মাসুঙ হিংঙোন চুতানানা রলপা পুকনাঙ হুযে। ৪,৫৩। চীঙঙু য়াংপীবেল সিতাপাসুঙ লাং-লোই সাথক খোলনা লাইরেল থাংচুনাপা আনাপু সনা লংলৌ হনকুম লংলা পুমথাং লোলবুমলকলে। ৪.৫৪। পাফল মামিং-থোংপু লুংনা য়াইমাপাআো তৌনা কৌয়ে। ৪,৫৫। লাইরেল খোয়চিনুংকি মপাল সচ হেলপাপ সাংলকলে। ৪,৫৬। সীঙলেল লৈয়াইথকতা ক্রৌ নোংলুমপাল আঙৌপাক নামু পোংসক মালপা আমাপু সালরোনলকলাপাকা সামু মাথোঙ সেংসৌনানা সায়েং পালপু তিং, য়ারেল খোঙখৈ চীরনা মাললেম লৈপুথৌপু ঙাইথম-লাবে। ৪,৫৭। কোনলোয় মামি থোংতী লমচা সারাতোনথো তৌনা কৌয়ে। ৪, ৫৮। চীঙঙু হলপা য়াইরংচালসুঙ লমচা হকতা থোলনা চোয়নৌ সানা কোনচু মালপা লাইরেল চাংথোইপা আমাপু সাল-রোললকলাপাকা মাথেকৈফেপু লৈরোংসানা লেমলৈ ঙাহুল নীনকুম

লাইবেল মাপেক বুঙসিললকলে হাইতাপাবা। ৪,৫৯।

পাফল মামিংথোংপু লৈপুপাঅো তৌনা কৌয়ে। ৪.৬০। লাইবেল খোযচিন্নুং যাপকতা সীঙলেল মুবৈথোংকুমপা থমপাল লৈপালমাপু সানফোংলকলে। ৪ ৬১। চীঙঙু সেতাপাস্তুঙ লীকলা থুমপোইপাকি খোইবাং মাতুং যিননা চেপ্লংলকলাপাকা পমপাল লৈযাইপকতা চাঙঙু মাপলেলস্তুঙ সামু মাখোঙ কাবলন না কমফম-লাপাতা সামু খোঙপা খুনকুপক তনাা লৈমালেল সিত পীপু সাল-যেপলকলে। ৪,৬২। চীঙঙু হালপা লাপিন কুনা রাহনলকয়ে।৪,৬৩। হে তনাা সকহেলপী নঙপু ফনপী কাত পলনতা ক সালফে লকপানে। ৪ ৬৪। হাপনা পাওহনাপু তন। হললেল লৈনানা ।। খুনলকযে। ৪ ৬৫। হে যীপুঙু কনন সিত পাঅো নত পো ঐঅর্তা চাঙঙু খোঙপীনুঙতাকি সানফোংলকপীনে ৪.৬৬। খোইযম নাখোঙ বোযবমকিন লেলেম খ না লৈমালেললনে। ৪,৬৭। খুযা যেংলম কনা পলনৈ সংম নে। ৪,৬৮। কোনলোব ন যা না কম য়ৈক/স নে। ৪,৬৯। চীঙঙু নাপ চালনা পালকন যীচেস্তনে। ৪ ৭০। খোইযম নাপলকুনা পাব যীলেলপু রোপনা পয়ে। ৪ ৭১। চীঙঙু নাপৌ-চলনা যোযপু পাপমা লৌসি বো না পযে হাপনা বাকংচাপাপু লৈযেং লৈতোল ফাইনা তনপা নৈন লাওপাপু চাঙঙু মাপুলেলনা সালগঙ-লাপাক্কি প্রানৌপা াংহপিযে। ৪ ৭২। হে তনপা সকহেনপীঅো লৈযে লৈতেল ফা-না তাঙ নাইব লোমপাপু মাতৌ কানম পনো হাপনা পাওহনোন ক তমাা লৈহলঙ্গুনা পাপখুনলকযে। ৪,৭৩। হে য়ীপুঙু হললেল হালপা যাইনংপঅো নাতাইবেম ঐঅস্তুঙ বুলপী

পুকনীঙ ঙকযে। ৪.৭৪। মাতৌ কারমপাপু রোইরাপানো মাললেম লৈতুম আপিসামাপু য়ারেল খোংচন্নুংতা থাংনা নাংনৌবকযে।৪,৭৫। সামু য়ীখুৎতোলনা লৌখোকচাঙমতে। ৪,৭৬। লৈতুম মাখানাস্নঙ তাপীলকতবে। ,৭৭। মাললেম লৈতুম আসী লৈয়েঙ লৈতোল পলপাকি তাঙচা য়ি বৈ লোমপানে। ৪,৭৮। হাংনা রাহমলাপাপু চীঙঙু মাপুলেলকি সাম খুৎনি চৌ তোমপোকপানা যালেল খো-চিন্নুংতাক লৌখোকপিবাগাব, মাললেন লৈতুম আপিসাপু যেংনা রাহম থয়ে। ৪,৭৯। চীঙঙু খাইপীলেল লেঙফাতাপা মাপুলেলনা মাললেম লৈসেমনাস্নবে। হাইনা নেংতম পীবকপাপুনা থঙেনে।৪,৮০। তমপা সকনায়োন নঙনা থমপাল লৈয়াংক আসীতা মাললেম লৈসীলাবে। ৪,৮১। সীঙলেল লৈনা তই, থমপাল লৈকা সমনা মাব লৈতই হৌবাবা। ৪,৮২। থমপাল লৈতাক নপাল চঙয়ে।৪,৮৩ লাকলা পুনখো পাস্নঙ ৬ (তারুক) সুনা হল লপা আসীাক সাঙেলেল লৈন মাখাকি ৪ (মাব) মানা মায়কৈ চথেক ৫ মাপু লাকলমজো। ৪,৮৪। থমপাল লৈনা ৮ (নিপাল) মানা মায়কৈ ৮ (নিপাল) মাপু সালসেমলমজো। ৪.৮৫। সাঙলেল লৈনা ১৬ (তাবাতারুক) মাতা সুঙতাই ১৬ (তাবাতারুক) মাপু লিংখৎ-লমজো। ৪,৮৬। থমপাল লৈনা ৬১ (হুমফুমাখোই) মানা সীঙ-খাই ৬১ (হুমফুমাখোই) মাপু সালসেমলমজো। ৪,৮৭। হাইথারাপাকা মাললেম লৈমালেল সীতাপীস্নঙ পাইমা রুলকোই-নুংতা নীঙখনখিয়ে। ৪,৮৮। তমপা য়িতোমমানা কারম মাললেম লৈসেমসীপানো হাইনা চীঙঙু ল্লাইমারু লেঙতাপাপু থামোই ল্লাই-নীঙ চেংনা রুলপী লৈনীঙসিঙচাবাপাতা মাপীরি লাংলেল রাপীহল

চীনকোয় ৪ (মারি) পালপা আমাপু নাওনৌরকলে । ৪,৮৯ । কোনলোই মামংগোংপু নোংপোকঅো তৌনা কৌয়ে । ৪,৯০ । হে নোংপোক চীনকোয় মারি পালপাঅো নঙপু ল্যাওঅো । ৪,৯১ । তমপা অৈকা মাললেম লৈসেমমানাসে হাইনা ৱাহমপাপু মাপাবি চীনকোয় ৫(মাবি) পালপানা হেয়য়াতাখিয়ে হাইতাপারা ॥ ৪.৯২ ।

মাপারি লৈরা আতোলপা আমাপু নাওনৌরকলে । ৫,৯৩ । কোনলোয় মামিগোংপু আচিপাঅো তৌনা কৌয়ে । ৪,৯৪ । হে সমলাং তারৈনাপা নঙপু লাওঅো । ৫,৯৫ । তমপা অৈকা মাললেম লৈসেমমানাসে হাইনা পাওখেমলাপাকা থোইনা আচিপা সমলা তারৈনাপাকা ঙাবোযনানা মাললেম লৈতুম আতুনা গুমপাল লৈ-থোইপকতা মাললেম চানীঙ লৈখৈক মাললেম লৈসী হৌপকলে হাইপাকি আসিঅো তৌনা কৌযে । ৫,৯৬ । য়ংনা-যেংনা মাললেম লৈহৌরকলে হাংপাকি হযেংঅো তৌনা কৌয়ে হাইতাপা । । ৪,৯৭ ।

থমপাল লৈনা হচি লাক সললে হা পাক হাংচিৎঅো তৌন কৌযে । ৫,৯৮ । হাললেল হালপা লাইনাবিসুঙ পাযল লিললা নিংথৌপু সালৱোললাপাকা লাইবেল মাথেক ফৈপু লৈবোং সানা যাহিপলে । ৫,৯৯ । চযনৌ সানা মৈথাঙকোননে আতুনেংকিপ সানা য়াইকোলনুংঅো তৌনা কৌয়ে । ৪,১০০ । নিংথৌ যাইকোল-নুং আর্সাপু হুনাফাতাবে । ৫,১০১ । পাযল থোইনা থমলমযে হাইপাকি মায়ায খোইপা চীঙঅো যোলনায়ে । ৪,১০২ । লাইবেল খোইচিনুংকি চোযনৌ সানা য়োইথমপাল সীঙলেল লৈকা ১০০০ (লীসীঙ আমা)সুপাপ থমপাল লৈনম চাওনা সানকোংলকলে ।৪.১০৩।

হে লুৱাং হোংনেম লৈকোইপাঅো মাতৌ ৱোনখোকপানে। ৪ ১০৪। চীঙঙু য়াইপীরেলসুঙ লীকলা খোইকোইপাকি খোইৱাংহি মাসিলপু ঙাইরোয়নানা পমপাল লৈয়াইথকতা ফাঙখৎলক লাপাকা কোনলোই মাঙ্গিংখোলপু খোইয়ম পোকলেল পোকপাঅো তৌনা কৌযে হাইতাপাবা। ৪.১০৫।

তমপা সিনসু লৈমা সলহৈপীনা সাম্ৰ ৱোয়রম ফম য়োয়পু ললৈমানা সাবেল যেংলম লাংয়ে। ৪,১০৬। সানৌ মাচা মানাও আনীমাপু চলাফ লাইফি মাসীঙসুনা সেংমাননৈয়ে। ৪.১০৭। সাকলেল লুতোলথমতা লৈবেল লৈচাঙ পুইযে। ৪,১০৮। লৈতেং মাসীঙসুনা বুল মুকনীও হুযে হাইতাপাবা। ৪,১০৯।

চাঙঙু মাঙল আবাপানা তাইপঙ গমনামাপু ঙাললকলে ৪.১১০। তঙচ লুম্লেতোলপু কঅো তৌনা কৌযে। ৪,১১১। কংকোই [illegible] গুলনা চামনৌ [illegible] যোইংমপালকি সীঙলেল লৈখোকতোলপু [illegible] লৈ ংলকযে হা [illegible] কি কলা নোংলৈযাঙঅো তৌনা মিংথোললকলে। ৪,১১২। লনলৈ ঙানাচি [illegible] কু ল [illegible] যিপীচাসুঙ [illegible] কলেল লাইবেলাসি বা ল [illegible] কা লুপাপাসঙ লমচা সাবাকা সাবেল সাযাঙপকতা [illegible] লনা-[illegible] লনা খানিং মকৌমংলকযে হাইপাকপু নমপকসাবে লপুঙঅো তৌনা কৌযে। ৪,১১৩। নমংকসাবোলপুঙ ক কলা নোংলৈয়াঙপু হালনা মালেম লৈবোইসিললকলাপাকা যোমপ ললৈশান। মাপাৱিমাপু নৌনাওবকলে। ৪.১১৪। কোনলোই মানংথোংতা আসীপাঅো তৌনা কৌযে

। ৪.১১৫ । তমপা লৈমারেল সিলহৈপীনা মাপারি লৈরাং আতোলপা আমাপু সাংলকলে । ৪,১১৬ । কোনলোই মামিংথোংতী কোনসিল তিংখোকপাঅো তৌনা কৌযে । ৪,১১৭ । নোংপোক আ বপা চীঙড্ড পোকলেল পোক াস্তুভ খোহয়ম আ চপাকা আহুনমানা চংনা মাললেম লৈসৌথংলকপা থৈপীবপ্ লোনা লোনা সালসেমনাবমযে হাইগাকি মাসেম, নাবৌঅো পেলনাবমযে । ৪,১১৮ । যোয়পু লাংবেমমাকা পোকলেল পোকপা মাপুবেলনা হাংসীঙমকা চিংনা লুচিংযে । ৪,১১৯ । মাপাবি আহুনমাতা নোংপোক আ বপা চানকোয় মাব পানগানা হাংসীঙমাচংলাপাকা তেংপাক কাংকাপনাপাপু হাবাং সলতম হৌবকলে আতুনোংকিপু মাকাপঅো তৌনা কোযে । ৪,১২০ । সীংনা নালনা মাললেম লৈতা সিললবলে হং াক মাসীংঅে হাংনা কোংৌ নোংচা ৭ (তাবেং) মা আসীনা মাললেম লৈসেনহৌগৈ ক কোবৌ নোংপুন কনা নাবকলে হাংতাংবা । ৪.১২১ ।

তেকোং গঙচা ৩ (অহুম) ক ংচা কাঙকোং মালনা মাল্লেম লৈথুং সললকলাপাতা পোকলেল াব া লাহমাকনা ৱাহন হয়ে । ৪,১২২ । হে লে পোব চানবোয় ৪ (মাব) পালপা নঙতা তাংপঙ পুমনামা ক পলগৌমাপা রোইনা লাংকোলপরাপাকা নোংতম ৱ যেল অো । ৪ ১২৩ । খোইয়ম আচপা নঙতী তাইপং পুমনাপাপ লৌ াবোংসকনা লাংকোলঅো । ৪ ১২৪ । যীপাবি আসীপা নঙতী মাললেম লৈথুংনাপাপু সালসেমলুঅো । ৪,১২৫ । যীপা'ৱ আতেলপা নঙতী নাপাল তৈঅকা চুপসেং পলঙাক ৱোইনা ঙাইরোয়নাসে হাংনা থৌথা হৌবকলে হাইতাপারা । ৪,১২৬ ।

কংলা নোংলৈয়াঙস্থ চোয়নৌ সানা পুমতাকোনকি সঙথোল মাপল স্থনা সালসেমলকলে। ৪,১২৭। থমপাল লৈহুমনুং মুংলাং খোইরেলথকতা মালিক ফমপাললাংপু চোংখৎলকলে। ৪,১২৮। ফালখোঙ ৯ (মাপল) স্থইয়ে। ৪,১২৯। সামু খুতুপ ৭ (তারেৎ) বাংয়ে। ৪,১৩০। পাফল লিলা নিংথৌকি চীরেল লাংয়েল আনীমানা সামু রোয়রম য়েৎলম লাংনা লৈতেংলিয়ে হাইপাকি মুংনাং মাখোই নেৎনা লুকোক চীরৈলাংপু তোংফাপা লাইয়িংথৌঅো তৌনা মিংথোললময়ে হাইতাপারা। ৪১৩১।

হে লুরাং সললাইহলপাঅো ফালখোঙ ৯ (মাপল) মাকি মার্তাক লাইচা য়ারেলপুঙকুমপাপু কানা হাইঙমলাকাপানো হাইঙমলোইযে। ৪,১৩২। কংলা পীপুকনুংতা সঙপুবেঙ, সঙনাগুতাস্থঙ ৬ (তারুক) স্থনা সালসেমলমযে। ৪,১৩৩। সঙলেল ৬ (তারুক) মাতা যোয়পু লৈমারেল সিলস্থলৈমা সিলহৈপীনা লৈবোং ৬ (তারুক) তংপু সাংলকলে। ৪,১৩৪। পারাই নি মায়োনকি লৈরোং ৬(তারুক) মানা সঙলেল ৬ (তারুক) মাতা ফমপী য়ীমবোইনারিযে। ৪,১৩৫। লৈবোং ৬ (তারুক) মাকি মাতীক ঙমপাতী খোইযম সামু মাহাকসাংপু হুকসাং ২ (অনী) পোংনা থাংলোকলাপাকা চোয়নৌ সানাচাঙ চাঁঙলেল যাংব চাল মকতাপা ২ (আনী) তংপু সালরোনলকলাপাকা চাঁঙলেল নাপোমমানা আরা লাইনা পাং হুলখৎখিয়ে। ৪,১৩৬। চাঁঙপোন পবোল ৭ (তারেৎ) স্থহয়ে। ৪,১৩৭। চাঁঙপোন ৭ (তারেৎ) মাকু য়াংকোই সাকোনহাঁতাক মাপালকুমনা পোম, চাঁঙতোল ফলনা খুমথারকয়ে। ৪,১৩৮। সানা চাঁঙলেল

আমানা মাললেম লৈখারোলপু তালনা হুলথাখিয়ে । ৪,১৩৯ । চীঙলেল চীঙথোন ৭ (তারেৎ) মাতী চীঙথোন মাকা ফলনা বুম-খৎলকয়ে। ৪,১৪০ । চীঙলেল মাকা ১৪ (তারামারি) মাকি নাতে ১৪ (তারামারি) মাপু সোইনাতানা চীঙলেল কাকুপনারে । ৪,১৪১। আরাং চীঙথোন ৭ (তারেৎ) মাতা কোরৌ নোংখনলোল ৭ (তারেৎ) মাপু সালসেমলকলে । ৪,১৪২ । সানা চীঙতোল ৭ (তারেৎ) মাকি লুৱাই সুপনা পোইপা থকতা খোঙয়ম লাই নীঙসিং অহালপা। পোক-লেল পোকপা মাহাককি তমপা য়াংকোললেলপু হালনা সালসেমলমলে । ৪,১৪৩ । নোংলাংকোলসুঙ লঙ।। কোললেলয়াইকা ক্রৌকোল নামুংসুঙ সালসেমলকলে । ৪,১৪৭। লাইয়ীংকোল পাংকোইপাসুঙ আসীপা কোললেলয়াইকা খোঙয়ম নোংথৌক যমপারেলতা অরাং-কোলঅো কৌয়ে । ৪.১৪৫ । কোরৌ নোংলোল ৭ (তারেৎ) মাপু সালসেমলকলাপাকা ক্রৌ নোংখোঙলেল ৭ (তারেৎ) মাকি চীঙলেল নাতে ১০৮ (চামানিপাল) মাতা কা তু তংলেল থাবে । ৪ ১৪৬। সারা চুমমি নমলে । ৪,১৪৭ । ক্রৌ নোংখোঙ মাখোলনাতা অক ১১০ (চামাতরা) থক চুক মাসিঙ থাকয়ে । ৪,১৪৮ । নোংখোঙ মাখলমতী অক যথক ২১০ (চা[illegible]) [illegible] । ৪,১৪৯ । নোংখোঙ মাখোলমতা অক ৬৬০ (চা[illegible]ফু) [illegible] যথক মাসিঙ [illegible] কয়ে । ৪,১৫০ । নোংখোঙ [illegible] মার্তা অক ৮৫০ (চানি[illegible]লমারিফু) মারেল [illegible] ৪,১৫১ । নোংখোঙ [illegible] মার্তা অক ৯৬০ (চানা[illegible]লঙফু) [illegible]ক মাসীঙ থাবে । ৪,১৫২ । নোংখোঙ মাখলমাতা অক ১৯১০ (চ তারামাপল্লকা থুন) [illegible] মার্তক

চাওয়ে। ৪,১৫৩। ক্রৌ নোংখোঙ মারোল আখৈপাতী অক ৩৮৪০ (লীসীঙ আহুম চানিপালকা নিফু) কি য়ুথক মারাকলেললনে। ৪,১৫৪।

হে লুরাং সলশাইহনপাঃআে খোইয়ম নোংতম মারায়েলপু থৌরম মাতৌ রোনথোকপানে, কানা হাইঙমলাকাপানো। ৪,১৫৫। চোয়নৌ সানাচীঙকি ক্সমলেল্ল য়াইকোলনুংতা খোইয়ম লাইনীঙসিং আহলপাতী চীঙঙু মাপুরেল লেঙতাপাপু রোইনা সালরোললাপাকা চীঙঙু পাইমা মানিংসাপু নিংসা থোঙলেল্ল হাংনা কামথোকলকলাপাকা তাংপঙ পুমনামাকি আমম মীৎপু ঙকপাতা নুংসীৎ মারাঙ হৌ, থমকোল মাথিনাইনা সীৎলকলে। ৪'১৫৬। মানলং সান্থম তানা মি মাকু পূলসীপাতী রূলপী পূকনীঙ ঙকপাপু চঙলকলাপাকি হারি মিংথৌবেলপু মাকু চীনতা গোলপাপু লৈতোল [illegible] না তারে হাইতাপারা। ৫,১৫৭।

চীঙঙু মা[illegible]রেল অথোংপাতী মীৎকোয় থমপাল মালপা ২(আনী) মতাংকি আমারক [illegible]রেল য়ীচেনপারকলাপাকি য়ীসিং [illegible] [illegible] তাইপঙ পুমনামাপু য়ীসি [illegible] রোইরকলাপাকি য়ী[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মী মান পালকলপানা পকনীঙ [illegible] লৈতাপা[illegible] লা[illegible] মাথেক চলনা কানানা তে[illegible] ঙসক্সা[illegible] হ[illegible] আকন [illegible] কপীরময়ে। ৪,১৫৮। হে লাইরেল লৈতেংঙু [illegible] নাপুংচঙ মীপোক [illegible] ফাঃপাসিংনা সা[illegible] [illegible] চলনিংঙে আকন পাংতাকলমরো হাইতাপারা। ৪.১৫৯।

তমপা লৈনথেল সেলকৈপানা মাথেন [illegible] হনলনুকা য়াইখুরেমপী,

য়াইনিংতোল ৩ (আহুম) মাপু ফুংনারাপাকা লৈমা য়াইহলন্নুতী নোংপোক আরিপা চীনকোয় ৪ (মারি) পালপাকি তানলোই তুন্নুংসিপু ৰোইহালয়ে। ৪,১৬০। তমপা য়াইখুরেমপীতী চীঙঙ্ আসীপাকি তানলোই মারুমপীপু ৰোইহালয়ে। ৪,১৬১। য়োয়প্ য়াইনিংতোল আতোলপীতী খোইয়ম কোনসিলতিংথোকপাকি সাম্ ৰোয়রম থাহলয়ে হাইতাপারা। ৪,১৬২।

সিলস্বুরুকস্বুঙ সেমতময়ে । ৫,৭৫ । নিংথৌ লাইকোংঙানা ললকুপী-রকত্তে হাইনা মাললেম লৈতা রোননা মীকপথিয়ে ।৫,৭৬। হে য়ীপল য়ীপুংঙু তাআও। ৫,৭৭। নঙতী লীকলাং কোনকাতাপা লীকলা য়িচু থাণ্ডতাপা পামু ভুতুরৈ নঙপু কারম থৌকাণ্ডমসী-পানো, থৌকাণ্ডমলারোইয়ে হাইনা তাঙচা মারাইপকতা সামু খুংনা নমনা মীকপলাপাকি লৈমা য়াইখুতোলনা রাহনলকয়ে । ৫.৭৮। য়িতুনিংথৌ লাংলেল রাপীহলও নঙপু রুলপী পুকনীঙ তপনা চৈরংলো । ৫,৭৯। চীঙঙু কুরুম সিতাপানা য়িতুনিংথৌ নঙপু থৌচাল ললকুনীঙপা থৌরম আমাপু লৈরিঙৈনে হাইনা থৌথাম-খিয়ে । ৫,৮০। মাসানৌ লৈরাং আতোলপাস্বুঙ চোয়নৌ সানা মেললাংচালতাকি মাললেম লৈতা কুমথারকলাপাকা মাসাপিকি সামু নাকতা ফমনা রাহমখিয়ে। ৫,৮১ । সাপি লাংলেল রাপীহল নঙপু রুলপী পুকনীঙ তপলো । ৫,৮২। নুংসি নুংয়েং চেংনা মীকপ-লাকুনো। ৫,৮৩। চীঙঙু কুকম সিতাপাকি নোংতম মারায়েলপু কানা সালখঙঙমকাপানো পঙনা সালখঙঙমলোইয়ে ।৫,৮৪। চোয়নৌ সানা মেললাংচাল আসী মাথোই আমাপু সাপি নঙঙোনতা থৌচাল ললকুপীনীঙপাপু থৌরম আমা লৈরিঙৈনে হাইনা থৌথামসিললা-পাকা মাসাপি লৈকোয়নিংথৌস্বুঙ চীঙঙু নোংতমপাপু য়ীলতালখিরে হাইতাপারা। ৫,৮৫ ।

চীঙঙু নোংতমহলপা চীনকোয় ৪ (মরি) পালপানা পাণ্ডমেল-ঙাময়ে। ৫,৮৬। সানৌ লৈকোয়নিংথৌ নঙপু নুংসি পুকনীঙ চঙনা রারোইলাকুনো। ৫,৮৭। চীঙঙু মানোংতমপু নোংতম রাচুম সুপানে

।৫,৮৮। ব্রুলপী সেনলোঙনিকতানা নাতাঔঙনে। ৫,৮৯। লৈরোল নোংলোল ১৪ (তবামারি) মাপু লৈকোয় নিংথৌ নঙনা পুরিপানে। ৫,৯০। হায়েং নামুপোং লিংলাপাকা সাখৈ সললাই খুলথোঙ ৭ (তারেৎ) মাকি সাখৈ কুরুম রোইনা পোকলারাপাকা নাসানৌ অতোলপানাচিংনা য়ীরাৎ থৌনিনারাঔঙনে। ৫,৯১। থৌরম আসী খঙনা ব্রুলপী পুকনীঙ পঙনা য়াংফারোইয়ে হাইনা থৌথামলাপাকা থীঙলৌ নীঙনাতেনা হলবাইখিবে হাইতাপারা। ৫,৯২।

খোইয়ম চীঙনিংথৌসুঙ চীঙপুরোই তমপু কোলনা চীঙলেল পলসাকপাপু চীঙপল পললোইবমলাপাকি থীঙলৌ নীঙনাতেনা রাইথুংলারাপাতা চীঙঙু মাপুরেলপু লৈঙামতাবাপাকি মীৎপান পিফম চেন, লারাই খুৎনা নমনা মীকপখিয়ে। ৫,৯৩। হে য়ীপুংঙু লৈরাং আতোলপাঅো চাঁঙঙু য়াইপীরেল সিতাপাপু কাতাইনো। ৫,৯৪। হাইনা পাওহংখোলকি খোইয়ম পাথঙ যোয়রেলপানা পাওখুমখিয়ে। ৫,৯৫। সাপি লাংপা চীঙনিংথৌঅো নঙপু চীঙঙু মাপুরেল নামুংপাতী ক হঙক চক আহালপাপু হাকথক মাতোল লোমলাপাকি মাতম, খোঙকাপ, মীংকুপ, নাহুম, লাকলেল, কিসি, মাতাং, ফিথুপ, তেকলেল্ থৌবম ৮ (নিপাল) মাপু হেলকাতাপাকি কোরৌ নোংকাঙামলে। ৫,৯৬। সাপি নঙপু খোয়তৌ য়াফম খোয়চি হুংয়া ফমপী ৪ (মাবি) মাপু ব্রুলপী লাইনীঙসিংনা থৌখামঔঙনে। ৫,৯৭। খোমহুক মাখুম হাংলাপা, সৌরা পাংসোই নাইপাসুঙ নাওয়োম ফিরাক তংপা মিয় লেংোঙ ঙামপাকি সিলফম মাবিমাসুঙ চেৎনা ঙাকঔঙনে। ৫,৯৮। পারাই মাপুরেলতী সাপি লৈকানুংতা মারৈবিঔঙনে

৫,৯৯। হাইনা ৱুলপী পুকনীঙ তপনাপাপু থোৌখামলাপাকি নাসাপি চীঙনিংথৌস্তুঙ ৱুলপী পুকনীঙ তপলাপাতা খোইয়ম পাখঙ য়োয়রেলপাতা লংপা চীঙপাঙ তমখিয়ে। ৫,১০০। নাসাপি অৈনা চীঙলেল পলথোললুপাতী নোংনেম খানা পাংপারমকি খানা চাওপা খোঙথৈরমতা হালনা থোলপা হৌরকয়ে হাইপাকি মাহৌচীঙঅো ম্নিংথোললময়ে। ৫,১০১। মাহৌ ফাইপোকচীঙস্তুঙ থোললময়ে। ৫,১০২। খানা চাওপা চীঙকোললেলপু সালসেমলময়ে। ৫,১০৩। খুলথোঙ ৭ (তারেৎ) মাকি চীঙলেল পললাংলাপু সারময়ে। ৫,১০৪। খুরৈ খুথাচীঙপু থোললময়ে। ৫,১০৫। য়াহৌ থম-হৌচীঙ আনীমাকা মিকৌ থাকৌচীঙ আনীমাস্তুঙ সলথোঙ তাইমা চীঙকা থোঙলেলকাকুপ চীঙকা চীঙলেল ১২ (তারানীথোই) মাপু থোললময়ে। ৫,১০৬। থোঙলেল ৱা.মা লানলকলাপাকা থুমপী থুমলেলচীঙ আনীমাপু হৌনা থোললকয়ে। ৫,১০৭। য়ী ৱাৎ থৌনি চীঙস্তুঙ মানিমাপু থোললময়ে। ৫,১০৮। কোনঙৌ মিসি চীঙ আনীমাকা কোরী পীথারাই চীঙ মারিমাকা থংচীঙ লাইমারুকি চোয়নৌ চীঙতোমপোকস্তুঙ থোললমলাপাকা থংচীঙ কোলনুংলেলপু সালসেমলময়ে। ৫,১০৯। মানলং নুংসীৎ চীঙ, নোংলৈ নোংজ্ঞম চীঙ ১২ (তারানীথোই) মাপু থোললমলে। ৫.১১০।

আৱাং লাইনা পাংপারমকি ৱুলাল ৱাওরিচীঙ, য়ীচাক য়ীসা-চীঙ, হীমারু য়াইমারুচীঙকা খোইয়ম কৌপারুক তমপা য়াইরাংচীঙতা চীঙলেল নাপোম ৭ (তারেৎ) তিলপা স্নমসিললাককুমপাকি মায়ায় থোয়মারু চীঙতা কোলনুং য়াইকোলনুংপু সেমলমলাপাকা কৌপা

কৌনুচীঙ আনীমাস্থঙ পুলসী নোংচেংচীঙ নোংলেল য়ীথাচীঙকা চীঙলেল ১২ (তারানীথোই) মাস্থঙ থোললমলে । ৫,১১১। নোংলেল খাকপা পুরৈরোমপাচীঙস্থঙ পুনেমচীঙপু মারাচীঙঅো কৌনারাপানে । ৫,১১২। কোরৌ নোংকা চীঙকা চীঙলেল ২৫ (কুনমাঙা) স্থনা সালসেমলমলে । ৫,১১৩।

লাইচি থোঙচাণ্ডরেলপু লানখিরাপাকা চীঙখৈ লৈনাচীঙ, লীকলা য়ীহলচীঙ, য়ীচীক য়ীপমচীঙস্থঙ, সাচীক নোংতমচীঙ, পাপা নোংখাইচীঙকা থোললময়ে । ৫,১১৪। সেললোয় চীঙনামুংকা লংমাই লংপা হায়াইচীঙতী চোয়নৌ পুমতাকোননা চীঙসা ৯ (মাপল) স্থনা থোললমলাপাকা নোংপোক আসীপাকি কোলনুং নুংঙাহপাপু সালসেমলময়ে । ৫,১১৫। চোযনৌ হীতাক চীঙস্থঙ নোংলুমপাল কোনলাংচীঙকা হিংঙোন চীঙতোমপোকস্থঙ চামেল চীঙলেলয়াইকা সেললোয় নোংলুমপাল হীতাকচীঙ, পাথাবাই হীতাক চীঙস্থঙ, লংপা য়োৎসৌচীঙ, য়োৎলেল খোমহুকচীঙকা, রাঙপাবেল চীঙনামুংস্থঙ রাঙপাবেল কোলনুং যাহফাপাপু সেমলমলাপাকা, লৈঙৌ যুমোইচীঙস্থঙ লৈমু কোকপাবা চাঙপুলসাকা থোঙলেল ১০ (তারা) চীঙখৈতুপকা কাপতু হুবেলচাঙস্থঙ কংলা পুঙমায়োনকি কোলনুং পলকোইরেল য়াইফাপাপু লোমলমলাপাকা মায়ায় লাইকোয়রেলকি চীঙলেল আপিসাসিংতী সমলনলিয়ে ।৫,১১৬। তাবঙ য়ীপাললাংনা কুনথাখিবে। ৫,১১৭। চীঙলেল যায়তারাংনা লাইচা য়ীখোইরেলকি পোঙলেল সারাচৈ চাঙপু থোললুইয়ে। ৫ ১১৮। মানম নুংসিপা চীঙলেলস্থঙ চীঙলেল রোইনমপানাচিংনা চীঙলেল ১০৮ (চামানিপাল) থোললুংনে । ৫,১১৯।

নোংচুপ ঙমথংনানা চীঙলেল হীতাকচীঙ কোমমারি চীঙলেল আচৌপাপু থোললময়ে। ৫,১২০। খুরৈ খুথাচীঙ আয়ামপাস্তুঙ থোললময়ে। ৫,১২১। অোমমারি চীঙলেল য়াইফাপানাচিংনা চীঙলেল ১০৮ (চানানিপাল) স্নুনা থোললময়ে। ৫,১২২।

নোংপোক মাইকৈরনতা চীঙলেল য়াইফাপাচীঙ চোয়নৌ চীঙপুলসী, খাংপা খাংহলচীঙ চীসাচীঙনাচিংনা চীঙলেল ১০৮ (চামানিপাল) স্নুনা থোললময়ে। ৫,১২৩। চীঙলেল মাসীঙ মাতোল লোমনা তেংথা ঙমলুলারোইযে। ৫,১২৪। কংলৈ পুঙমাযোনকি চীঙলেল চাওকোইনুংপু তালনা হলথংলকলাপাকা থুমহী থুমখোই চীঙপু থোললময়ে। ৫,১২৫। চীঙপী চীঙনাওতোঙস্তুঙ থোললময়ে। ৫,১২৬। য়ীথা চীঙসাংলোইপু সেনলময়ে। ৫,১২৭। পোইরৈতা ফাথিপানা য়ীথাই চীঙতোমপোকঅো তৌনা কৌনারাপানে। ৫,১২৮।

থাঙকা কারাং চীঙতী মাললেম লৈহৌচীঙপু নংতে। ৫.১২৯। নিংথৌ কাংপা মাহাকথকতা চীঙলেল মাতোম সানফোংলকপানে। ৫,১৩০। হীয়াঙথাং চীঙ নামুতী লৈনুং য়াইপীরোকাক মাপারি নোংতা লাইরেল পাখংপাকা ঙাইরোয়নাবকপা চীঙনে। ৫,১৩১। চীঙলেল মাবক খানা রাবম সালখঙনাপাপু তেংথারমপানে। ৫,১৩২।

মাললেম লৈমাচীঙ চীঙলেল মাবাচীঙস্তুঙ থোললময়ে। ৫,১৩৩। চীঙপুলসা চীঙনাওয়োমপু থোললময়ে। ৫,১৩৪। ফুংকালাইকচীঙ ৩ (আহুম) মাপু থোললময়ে। ৫.১৩৫। পোইরৈতা ফাথিপানা চীঙপা ফোইচীঙ লোকপাচীঙঅো তৌনা কৌয়ে হাইতাপারা। ৫,১৩৬।

কাংথু কাংঙোই চীঙকা পাসি রাইথুমচীঙকা থোললময়ে। ৫,১৩৭। মৈরি চীঙপু মামি তমলময়ে। ৫,১৩৮। মায়াংলাংচীঙকোলঅো ভৌনা মিংথোললৌপানে। ৫.১৩৯। মিরেল হীকুম থোঙকি থোঙঙাক চীঙচেংলাংপু হৌপীরময়ে। ৫,১৪০। রাংকোল কংলৈকোলপু সালসেমলমলে। ৫,১৪১। আরাং লুকোকচীঙ পুরৈরোমপা চীঙসুঙ লুকোক চীঙতোমপোকঅো থোললময়ে। ৫,১৪২। আকোলপাতা থীঙকারী চীঙতোমপোকঅো কৌনারৌরে। ৫,১৪৩। চীঙলেল আয়ামপাকি মামৈ মৈকুংভোলপু চংথাবকলাপাকা চীঙমৈরোঙপু সেমলময়ে। ৫,১৪৪।

মাইকৈ নোংপোক থংপাবমকি খুৎপীপোক লাইপোইচীঙপু থোললময়ে। ৫,১৪৫। সিতানাতা চীঙনামুংসুঙ সালসেমলমলে। ৫,১৪৬। খোইয়ম আপামপাপু ঙাইনা-ঙাইনা চীঙথোললময়ে। ৫,১৪৭। চীঙঙাইঅো কৌপাপু পোইরৈতা ফাখিপানা চীঙঙাঅো কৌনারৌয়ে। ৫.১৪৮। খোইয়ম লাইরুপ আয়ামপানা লাইচা য়ীক সানভেংলাপাকা চৈরৈ মাফি সুমনাফমপু ফিসুমচীঙ মিংকৌনা যোললময়ে। ৫,১৪৯। খোইয়ম মাইকৈ ঙাকপা ৮ (নিপাল) মাকি চীঙলেল য়াইরোইপা ৮ (নিপাল) মাতী লোইরেল খুলপীরোক সানা লংপাচীঙকি ফালখোঙ ৮ (নিপাল) মাপু রোইসুনো হাইনা নোংতমলময়ে। ৫,১৫০। চীঙলেল সুংতাই ১৬ (তারাতারুক) নে। ৫,১৫১। চীঙলেল চীঙখায় ৬১ (হুমফুমাথোই) মাকি চীঙমিং ৬১ (হুমফুমাথোই) মা আসীনা কংলৈ পুঙথোইরেলকি কোলসুং চাওকোইরেলপু রোইনা সালসেমলমলে হাইনা পাওতম মাতোল লোমলে হাইতাপারা। ৫,১৫২।

আসীস্থুঙ মাতোমতে । ৫,১৫৩। পামেল ব্রুথাপা, কোঙয়াঙ ৱারিংপাস্থুঙ ৱাইথুংলারাপাকা সাম্ন থংচপনানা ৱাখৎচাখিয়ে ।৫,১৫৪। হে য়ীপুংঙ্ খোইয়ম পুমনামাকি লাইনিংথৌঅো চীঙঙ্ মাপুৱেলপু ফমপী কাতাইৱম হৌখিৱাপানো । ৫,১৫৫ । পামেল ব্রুথারু, কোঙ-য়াঙ ৱারিংলুঅো হাইনা থৌসীথোকলাপাকা নাতাইৱেম অৈপু ঙাই-থমপীঙামতানা কারিকি নারাল ৱোনতে য়াঙখিঙামলাপানো ।৫,১৫৬। হাইনা মাললেম লৈতা ৱোন পিরেল মীৎপাল সিলথাখিপানা হকসাং পুমনা চোংয়ে । ৫,১৫৭। তাঙচা মারাইপকপু সাম্ন খুংনা নমনা মীকপখিয়ে । ৫,১৫৮ । চীঙঙ্ পাখঙ য়োয়ৱেলপানা ৱাহমলকয়ে ৫-১৫৯। চীঙঙ্ কুরুম সিতাপাতী পুকনীঙ মানীঙ তমপানে ।৫,১৬০। থারাই পুমনামাকি থামোই লৈকান্নুংতা মারাল হুমৱোইনাপাপু খোইচেং পাংসোই নাইত্তে হাইপাকি কাসা য়াইপীৱেলঅো তৌনা কৌয়ে । ৫,১৬১। হায়ি মিংথৈৱেল, হৈৱোম মিংপুলসী, কাসা মিং-নারুকা মিংলেল ও (আহুম) মাতুম তাংচা শারৈতোলতা লৈতোল পোৎথাতানা সোলচারো । ৫,১৬২। চীঙঙ্ মাপুৱেলতী ক হঙক চক অহালপাপু মাতম হেলফাতাপাকি আৱাং কোৱৌ নোংকাঙানলে । ৫-১৬৩ । হে সানৌ নঙপু ব্রুলপী পুকনীঙ তপলো । ৫,১৬৪। হাইনা থৌখামলাপাকা মাললেম লৈমাইথকতা তিংথৌ তোলোঙ-পাপু মাতোন নৌনা চোংলকলে । ৫,১৬৫ । হাঙনা পোলাংস্থুঙ হৌৱকলে । ৫,১৬৬। আসীস্থুঙ মাতোমতে । ৫,১৬৭।

নাপী সীঙপী য়াঙনা হৌখৎলকলে । ৫,১৬৮। নাপু নাসেল লোইনানা মাতোন তোননৌ চোংখৎলকলে । ৫,১৬৯ । নাখাই

নাতাঙ য়াওনা নাচোপ তিলচোপপাপু হৌনারকলে। ৫,১৭০। নারী নারেনপাপু লোয়নানা সিতানাতা পুলসী নোংচেং আসী খৈপীকপু মাললেম লৈমাইথকতা হালন। সানসেমলকলে। ৫,১৭১। হুপলা হারাকা লৌহিং পুংফায় য়াওনা সেমলনয়ে। ৫,১৭২। নাপী মাতোল লোমনা তেংথাঙমলারোয়য়ে। ৫,১৭৩।

(পামেল বুকি সাখৈতা বুপান খুংথা হালপাতী বুহল্না হাল্লকপানে হাইপাকি কোনলোই মামিংথোংপু বুহলঅো তৌনা কৌয়ে।) ৫,১৭৪। বুনিংথৌনে আতু মাথং তনলা বুফৈচানে ৫,১৭৫। সানাথোংনাং নিংথৌকা পামেল সাখী কু ইতোলসুঙ খেবু খোঙতাঙপা বুযুম, তাইরেল, কোককল, কুরাং আসী খৈপীকনা হালয়ে। ,১৭৬। পামেল ঙায়ান বুসুঙ সারেল সায়ান বুকা তনলা থুমনমপী অসী খৈপীকপু হালনা থারময়ে। ৫,১৭৭। × × × তনলা অকলা পামেল তলকা তনলা বুচাং রাংকারোইনাইকা মাললেম লৈমাইথকতা সেমলময়ে। ৫,১৭৮। তাংচীঙ আহালপাতী হৈরাঙ চীঙকি হৈক্রুনা কুরুম রোইনায়ে। ৫,১৭৯। তাংচীঙ হৈপীনা পললেম মামা রোইনায়ে। ৫,১৮০। হৈরাঙ হৈয়ীংনা পলথৌ মাপা রোইনায়ে। ৫,১৮১। হৈতারোইনা মাপারিনে। ৫,১৮২। হৈনীঙনা পললেম নাংরোইকাপীপু রোইনায়ে। ৫,১৮৩। তাংচীঙ আয়ামপাতী হৈরাঙ আসীতাকি নাংনৌবকপা মাসেলনে। ৫,১৮৪। তাংচীঙ হৈঙাঙ হৈয়াইকা হৈরাঙ হৈপোং কাংকৌসুঙ তাংচীঙ হৈথারময়ে। ৫,১৮৫। হৈরাঙ হৈনুরা পাখং বুরাংমৈ লেপতন হৈসুঙ তাংচীঙ হৈপান থারময়ে। ৫,১৮৬ আসীসুঙ মাতোনতে। ৫,১৮৭।

হৈরাঙ থুমখোইপা সাম্‌ভাবাট হৈবাঙচাল সালোম হৈরোন-থোককা হৈতুপ নীঙথাকপা, ত ভচাঙ হৈবাঙখোইসুঙ হৈয়ি হৈচাও হাংখোইপা তাংচাঙ হৈসাংনমপোলনীকা, হৈরী হৈমাংসু হৈনৌ থুমখোইপা,চুমপারৈ হৈরাঙচালকা মাকরোলহৈ নীঙথিপা হৈখা হৈরাঙ চালকা তা চাঙ হৈ ারনয়ে। ৫ ১৮৮ ।আসীসুঙ মাতোমতে।৫,১৮৯। আমল সাথেমহৈর্তা তাংচাঙ মীানলহৈনে। ৫,১৯০। তাইপঙ পুমনামাকি হৈ মং মাতেল লোমনা তেংথা ঙমলারোয়য়ে। ৫,১৯১। তাংচীঙ লাকোই আয়ামপাপু মাখল মাথেল তৈনা থারময়ে হাই-তাপারা। ৫,১৯২।

সীঙলেল লৈ নিংথৌর্তা থমপাল লৈনুংরোন, থারো নুঙকাং-সাপাকা লৈরাং লৈথারনয়ে। ৫,১৯৩। সীংলেল রুথমপালসুঙ লোইতাম থারোইলৈ লাবাই লাংথেুকা সীঙলেল লৈরম ৫ (মাঙা) মাপু সুঙসললৈ সাঙলেল সংকুরৈপু থারময়ে। ৫,১৯৪। নুমীৎ সানা থেমথারৈ লৈরাং সানারৈকা সাঙলেল পেত্রুকলৈ, লৈসোক চুমপুনলৈকা সীঙলেল নোংপোকলৈসুঙ নোংপোক মানল্ং হুমরোই-পাকি কোথৌ লনসারৈপু সালসেম পরময়ে। ৫,১৯৫। লোইতাম থাচা খোয়হৌরৈতা সাঙলেল চানেললৈনে। ৫,১৯৬। চীঙঙু সিতাপা য়ীরাংলৈনে। ৫,১৯৭। নুমীৎ সানা মিকৌরৈ মেলৈ লৈসনা লোঙচুমপাপু থারনয়ে। ৫,১৯৮। সাঙলেল য়েরুমলৈ, মাললেম লৈপাকলৈকা লৈরাং কোনপীকোঙয়াঙকা সীঙলেল মিংনাইপা আ-সীসিংপু লৈরাং লৈথারময়ে। ৫,১৯৯। তাইপঙ পুমনামাকি লৈমিং মাসীঙসুনা তেংথা ঙমলুরোয়য়ে। ৫,২০০।

সামনলীকিরৈ পাম নুংচঙৈল নুচা সকপামলৈকা নুংরোন পুক-ভিললৈসুঙ সিতানাতা লৈকা পলসী নোংসাংলৈসুঙ লৈরোং ৬ (তারুক) মা আসীতী সীঙলেল লৈমিং পাবমলারোইয়ে। ৫,২০১। চীঙলেল কুকুমচীঙতা লৈরাং লৈপাল ফানা থারময়ে। ৫,২০২। খোইয়ম মাইকৈ ঙাকপা ৮ (নিপাল) মাকি চীঙলেল লৈকোইনুংতা চাকলীক নোংথৈ মাপাল পারময়ে। ৫,২০৩। পামেল সিতাপা রূপান ৮ (নিপাল) মাসুঙ পারময়ে। ৫,২০৪। কোলনুং রূনলেল ৮ (নিপাল) মাপু কোয়না সালসেমলমলে। ৫,২০৫। চোয়নৌ লংপা-চীঙকি রূমংলেলকা ৯ (মাপল) সুনা সালসেমলমলে।৫,২০৬। হীনাক সিতাপা, য়াইমারু নাতাপা, য়াইপীরেল য়াইফাপা পানপী ৩ (আহুম) মাসুঙ পারমলে। ৫,২০৭। হাংনা পাংতমলাপাকা চীঙঙ পাখঙ য়োয়রেলপানা সারেল স্নেংনা কোলনা খৌচালপীখিয়ে হাইতাপারা। ৫,২০৮।

থারাই তুঙালপাতী পুমনা লৈতারিয়ে। ৫,২০৯। চেকলা মাকু পুলসাপাকা কপী রূনমুপা মাললেম লৈহনচেককা কোরৌ নোংলাইচেক আঙৌপা। পোলপী ঙকসাংপা ব্রুরোক লৌসিংপাকা চেকলা ৩ (আহুম) মাতাআপু মাঙাইরিয়ে। ৫,২১০। পোলপী মাকুনা কুরুম পোইনারকয়ে। ৫,২১১। কপী লৈহনচেকনা পললেম মামা রোইনা চেকলা পুমন মাপু পোকনারকয়ে। ৫,২১২। খোই-য়ম পুরৈরোমপা সালরোনচেকনা পলপৌ পারোইনারকয়ে।৫,২১৩। মাললেম মানম সীলনা চিনি হৈরাংচাল, খোইহী থুমখোইপাকা সলখোম আফম আহিংপাপু মাললেম লৈপাক মানম সীলনা লৈরীক

লৈহাও সৌখৎলকপাপু খোইয়ম লাইরুপ আয়ামপানা তারাচা রোইনারকয়ে হাইতাপারা । ৫,২১৪ ।

খোইয়ম লাইরুপ আয়ামপা সংনা মাইকৈ চিোক ৪ (মারি) মাতা কুমৈ নুংঙাইপাপু পালতম মাখৈ লৈতনা সালনাবিয়ে ।৫,২১৫। আসৈ নুংঙোন সক, চাঙঙু মতক হাইনা হারাও নুংনৌ চঙনায়ে । ৫,২১৬ । আসৈ মাখোয়না তেবালনাপাতী ; চীঙঙু পাখঙয়োয়-রেলপাক চাঙঙু মাচীনচাকপু রোইনা আসৈ তেরাল সকপাতী :—

মাথা মিরাং চেনখিরে । ৫,২১৭ । অলচি লাইয়ীম থানা কংকোই মিতম হুলখরে । ৫,২১৮ । সীঙলেল লৈপাল ফাপানা লৈরাং লৈনম চাপ্পরকলে । ৫,২১৯ । সীঙলেল লৈহী হুললকপাপু লীকলা থুমখোল মাপুঙ ফারইঙনে । ৫,২২০ । লীকলা বুলকোয় থলনা থুমলেল য়ীচেলথারকলাপাকা নমপাল লৈয়াইথকতা ক হীমারু ফম-পালচালপু মেললাং য়াম্নিতারাংনা চীঙঙু লৈফন চেংঙৈনে । ৫,২২১। যুগা পাঙনা চাইনপনো । ৫,২২২ । লুংচন মাঙনা নীকহালকুনো । ৫ ২২৩ । তমপা লৈমারেল সিতাপু খুংচেং হংচিরাক, খুৎপী কারোঙ পীনা সামনলীকি চেংঙৈনে । ৫.২২৪ । খোয়না মারোক খোমহুকরা খোয়চেল মাইলোনলাপাপু নমমুক তুংহাং পীনকুনো । ৫.২২৫ । হাইনা হাইবে থাসৈনা । ৫ ২২৬ । ক সনা তেংথানা হৈরোম আসৈনাপা কে চাঙঙু মিথৈবেল সিতাপা ৩ (আহুম) মাপু তারাচা রোইনানা পৌচাল ললকু খীনকুনো । ৫,২২৭ ।

হাইনা আসৈ তেরালনানা নুংঙাই কুমৈ সালনায়ে । ৫,২২৮ । খোইয়ম পুমনামাকি কুমৈ মাতৌ য়েংনা চাঙঙু সিতাপা, সিতাপী

আনীমাকি তারা মাচীনচাকপু রোইনারিয়ে হাইতাপারা। ৫,২২৯।

আসাইদৈকি কোঙয়াঙ রাংারুপাস্তুঙ রা।রং মাতেংল লোম-লাপাকি পীঙলো নীঙনাতেনা রাইখু লারাপাকা খুৎফাং চেপনারোল সামু থংচপনানা কোঙয়াঙ রারং পাংপু পা তমখিয়ে। ৫,২৩০। হে য়ীপুংঙু তাআমো। ৫,২৩১। নাতং রেম তৈনা কোঙয়াঙ রাথা-রুপাত্তী লাইরানা হালনা চো ে কিলকয়ে ৫,২৩২। মাংপী রুমুস্তুঙ কোননা থারময়ে। ৫,২৩৩। পোঙসঙ রাত খোইকা রাংারময়ে। ৫,২৩৪। রুতং রাসা নাইপাস্তুঙ লংলময়ে। ৫ ২৩৫। মৈরিপোপ রাপোপচাংস্তুঙ থারময়ে। ৫,২৩৬। রুলনান লীরা আনীমাস্তুঙ থারময়ে। ৫,২৩৭। নাংরা তাংতালপাকা রাকোকচাং রাবতুপ আনীমাস্তুঙ রারিংলময়ে। ৫,২৩৮। রাত রেঙ তংখুপা, রারোই তাংচুমপা, তাংলেল তাংখুপাস্তুঙ রাকুপলেঙ রারোইচেংকা রামীং তাংতাললোই আকুংপাসিংপু মাথন মাশেল তৈনা কোঙয়াঙ রাপা-রমলে।৫,২৩৯। হাইনা রাকংলাল পাকা খোটবম মাঙাইরোয় চীঙঙু মাহীসাংপু লেংতিলনা খিরে হাইতাপারা। ৫ ২৪০।

তমপা লিরি লফোংপীনা সংলো য়েনলাং মাথন মাে ল তৈনা সংলো য়েনথারুপাস্তুঙ মারাল রাইথু লারাপাকি সংলো য়েনপাও তমখিয়ে। ৫,২৪১। রুয়েললাপা, পানখোক, য়েনতেমকা খোঁথা ককলা মাপান লংলমলে। ৫,২৪২। ফুলান য়েনথুমাংকা য়েনপুম লৈহৌসং নাতাহেনপীকা তনলা রুয়েন রায়েন আনীমাস্তুঙ নাত্তাই-য়েম তৈনা সালসেমলমলে। ৫,২৪৩। কোকথারুম কেঙঙোইস্তুঙ, ককচাকখোমপী ককলুমালল য়েনকা, লোকলৈ, পুললৈস্তুঙ, ককচা

লাইচা য়েনকা য়েন লংলময়ে। ৫,২৪৪। কনপোং থাপুংয়েন আনী-মাস্তুঙ সীঙডুং হারায়েন য়েনপী য়েননাও য়াঙপাসিংকা থাংখা থামেল লংমাই য়েনথা, নোংপৌ নুমীৎ আনীমাস্তুঙ হংকাম নাপাকপা তেকতা রুনাইপা য়েনলাং মানা চাফাপা, সংলৌ মাক তংফাপা খৈপীকস্তুঙ সংলৌ য়েনলম ১০৮ (চামা নিপাল) মাপু য়েনলাং মাসাঙস্না সলংেনলমলে । ৫,২৪৫। হীতাক মারন ১০৮ (চামা-নিপাল) মাস্তুঙ লাইথুং ১০৮ (চামা নিপাল) মাকি লাইকোকনাপা আমল সাকুমনাপাস্তুঙ হীতাক মাসীঙস্না য়েনলাং মাপান থারমলে। । ৫,২৪৬। হাংনা সংলৌ য়েনপাও তমলারাপাকা য়েনলাং য়েনলৈ-মাতী সংলৌ য়েনলুপীপু রোইস্তুনো হাংনা নোংতমলমলে হাংতাপারা । ৫,২৪৭।

চীঙডু, পাখঙ যোযরেলপাকি সামু রোয়বম থারিপী য়াইখুতোল লৈমরেলনা মাপারি কবৌহলপাপু নাপনৌবকলে । ৫,২৪৮। আঙাং চে লৌ সককোয় হেনযে । ৫,২৪৯। নাগুরা মার্তাক চঙখোন-পাপু খুংতম মাহি পালনা ফাঙলায়ে। ৫,২৫০। খোইয়ম লাইকি মাচা য়োয়বেলপার্তা নাগুরা লাংচে মাকারক খোইমা তেলচৈকুম মাহুল লকলাপাকি মপল লাইনিংথৌ পাখঙ য়োয়রেলপাতা রাকৎ-চাখিযে । ৫,২৫১। য়ীপল য়ীপুঙ, তাআযো। । ৫,২৫২। পলুলেম য়াইখুতোল লৈমাপীস্তুঙ নাপারি কৈঅপু য়ীপল সামু নাখোঙথাতাকি লেঙতানা ফমপী য়ামরোংনারাপাকি লৌ সং মারা চংতা রিয়ে । ৫,২৫৩। তাইপঙ পুমনামাকি মালেম লৈমাইপকতা চীঙডু পালকন মাপা তমপা, খোইয়ম মাপৌ হেনপা কানাকুমপাপু

ফাংবোবিকাপানো। ৫,২৫৪। কুমৈ ন্নুংঙাইপাপু মীংহেং সানখৈ-কনীঙযে। ৫,২৫৫। যীশলকি দুলানি আপিদা, পুকনীঙ নাতুং য়ীলপা দুলা মকতাপাকা খুন্সু যৎবো। খুৎলা মাচৌ হেন-পাপু ললকুর্পাঅো। ৫,২৫৬। যালন পাখু চুলসা বুবোক লৌসংপাকা আনামাপু ঙা বোযনা কে। ৫,২৫৭।

হা না বাহমলেলকি মা ল [illegible] যোধমেল [illegible] তলাং মাখুনেং অ[illegible]ক তা [illegible]কথাঙ [illegible] বে পা মালেম লৈহৌ [illegible], গোবৌ নো হৌ যা তাবাল [illegible] বে থাঙস মাযৌ হেন[illegible]না [illegible] তাবে হা [illegible]ত [illegible]লকন মাপাতম খোংযম লা[illegible] [illegible] বনতেন [illegible]-কুম সোরৈকঙামযে। ৫,২৫৮। ঙ লল [illegible]পু লেতাপা থাঙনে। ৫,২৫৯। তনা[illegible] যাববো [illegible]ল [illegible] ম [illegible] নলপী রাপাকা নাহন যে। ৫,২৬০। সা[illegible] মা[illegible] চুলসা [illegible]ঙ বুবোক লৌসংপা না ঙঙানা লোকলৌ সানা [illegible] ঙা বোযনানা অো। ৫,২৬১। খো যম অ[illegible] চাঙঙ অ[illegible]না। স[illegible] লম্বোকনাবা-পাকা খোংযম লা লে। আচৌ তা খো[illegible] লা[illegible]বাপা ক ম তৌ আশীপাপু লালন লাপাতা নাসানৌ অৈগু তালনা থাঙনা খোঙলোব পাংহলনবো। ৫,২৬২।

হাংনা রাহমলাপাকা মাপাবি কবৌহল [illegible]ঙ মাযু বুনম সিতাপাক লুহুপ যা রোইপাপু কোকলেল লুতোল নাঙল নাই, খুৎসু যাংরোইপা খুংনাহ মাখৌ হেনপা খুৎসু পুমনামানা চঙঙম-তাপা চোযনৌ সানা ফুবীৎপু ফুবীৎ মাঙাল নাহতাপা চৈবৈ থাঙ-

সেং থুপকিরোন, মাললো ফিতোল লাং, চোয়নো থাংখা সারীকনা সারীক তোলশাংনাপা কি থোনসেল হুংনৌপাপু চীঙহুং হারি খোল-কুমনা রুলপী পুকমীঙ হুপাকি খুরাঙসেং ঈফতুপ য়েপপানা সামু পালকন মাতেং পাংহালয়ে। ৫,২৬৩। তাবং থাঙকোয়য়াঙপাপু সারেল য়েংতাপানি পাঙলেল য়াইরোইপাপ সামু বোয়তা সু, তেলপী মাসীঙসু, লীকং নাখুংসুনা তুলাই লেংতমপকতা হাপলাপাকা নাপল পাখঙ য়োয়রেলপা. পললেম মামা য়াইখুতোলকা আনীমাপ পুনেম-লারাপাকা বুরোক লৌসিপানা সেকপিল লৈমা পালয়ে। ৫,২৬৪। মাকু পুলসাপানা তুলাই সাপৌ পেনা নোংচপ ঙমগংনানা কোরৌ নোংতোল লং, মানিকৈ মাখোঙ কঙতানা পানিখোকলকলে হাইতাপারা। ৫,২৬৫।

খোইয়ম মানিকৈ ঙাকপা নিপালনাকি ফমপী কোলহুং হুংঙাই-পাপু হুললকলে। ৫,২৬৬। মানলুং চু সীং নিংগৌকি মামোম লৈমা সনুংলেঙ নীঙপিপীতী মাতা য়ংতৌ পোকমারোয় খোয়নৌ মাইফং সংনানাপী মাসেলপু হা সীঙমক চিনা কোমমাপি লাপিচা মীয়োক পোপ লাপিচা য়িপাল লাংনাপা মমচং খোকঙাম নাতা সিনুংলেঙ নীঙপিপীনা চেংলো নীংগৌংলাপাকি সামু খুৎপু পিলনা পাংতাক-পিয়ে। ৫,২৬৭। হে খোয়নৌ পীতা হুংচালপী নঙখোয়পু য়েংঅো য়েংঅো। ৫,২৬৮। সেকপিল আঙৌপা মাপোন ৯ (মাপল) সুপাপু পালনা কোরৌ নোংতোলাকতা পান্রকপা আসীপু খোইয়ম কানা কুমপাপু নারিকাপানো হাইনা মীংয়েং সানখৈনা খিয়ে। ৫,২৬৯। হুংসীং নিংগৌ মামোমলোন লৈমা সিনুংলেঙনাচিনা খোয়নৌ মাতা

খোলমালনানা কোবৌ 'কত্তা লাওখৎ'খিয়ে । ৫ ২৭০ । খোইয়ম কানাকুমপানো । ৫,২৭১ । মাংকৈ ক।তাইরমতা'কি পাইরকপানো । ৫,২৭২ । নোংপোক আসীপারা । ৫.২৭৩ । আরাং নোংনিংথৌরা । ৫,২৭৪ । পংচীঙ লাইমাকপু রোইরাপারা । ৫,২৭৫ । মাললেম লৈখোইরেল মায়ায় থোযমারুকি খোইয়ম লাইনিংথৌ চীঙঙু পাখঙ য়োয়রেলপানাতুন চোয়নৌ সানা চোঙলেল মাপোন ৯(মাপল) সুপাপু খালয়ে হাইপাত্তী নাত।য়ে । ৫.২৭৬ । চীঙঙু মাকি মাপারিপু রোইরাপারা নঙপু কানানো । ৫,২৭৭ কোমমারি লাইচা তুরেল আসী'কি চাংচৌ য়ীপাললাংনা রুমং ে াইনা চ কয়ে । ৫,২৭৮। হৈরাঙ থুমখোইপাপু পাল লয়ে, স ঙলেল চুনাপাপু রোঙ লয়ে লৈরাং লৈ চিলনাখিরো, তা চ'ঙ ইহত খরো লাইচা য়িখৌরা।লিঙৈনে । ৫,২৭৯ । কোমমা লাইচা য়ীবীকলাইপু য়ীসিং থোইনা হাংয়ে, লাইচা যীযোং'খিবো । ৫,২৮০ ।

হাইনা লাওখৎলকপাপু চীঙঙু করৈহলপানা মাপল মাকু পুলসীপাতা রাহমখিযে । ৫,২৮১ । হে য়ীপল মাকু পুলসীপা।অো নঙপু লাইচা তুবেল যীপাললেল ্ তলনা চুলাই সাথৌসিলঅো । ৫,২৮২ । চেংলৌ মীৎকুপমারমতাআপু আরা পোৎপাখিসে ।৫,২৮৩। হাইনা রাহমপাপু মাকু পুলসীপাকা রুবোক লৈ সংপা অনীমানা হোয়য়াপীতারাপা ক রুরোক'লীসিংপানা লা৻পাবকযে । ৫ ২৮৪ । চীঙঙু আতৈপা, খোইয়ন অ রোনপা ু নংতে । ৫,২৮৫ । চ ঙঙু পাখঙ য়োযরেলপাকি মাপারি খোইয়ম করৌহল।ানে । ৫,২৮৬ । য়াংলৌ লমতনযাহ"রোইয়ে । ৫,২৮৭ । হিমোম নীঙাংপ নঙখোয়পু থৌথামকুনো হাইনা রাহমলাপ।কা চুলাই হাঙনা পাইখিবে । ৫,২৮৮

সুংভাই ১৬ (ত ব ত ক্ক) মাপু ডাকলপা খোইয়ম ফমপী কাযামারমপু হেলনা তুলা সাং হরে। ৫,২৮৯। সীঙখায় ৬১ (কুমফুমাগোই) মাকি গোইযম য়াযকোলনুং নুংভাইপাপু মাসীঙ থীঙমতনা লানলকলাপাকা চীঙলেল চাংগোইপা আমাপু কোরৌ শুমগংনানা লৈঙামযে। ৫,২৯০। চীঙলেল কোনলোয় মামিংগোংপু অংকিরাঅো তে না কৌযে। ৫, ৯১। অংকিবা চীঙলেল য়াংতারাঙনা খোইয়ম ফমগীবেল নুভাইপাপু লৈঙামযে। ৫,১৯২। অংকিরা চীঙলেল আলা পাংপাবমতা লাইচা য়ীয়োককোম চাংগোইপা আমাপু লৈঙামযে। ৫,২৯৩। লাইচা মাপুকনুংতা য়ীপাললাংনা পানেল নীঙ গপা সাঙলেল রোইনমপা লৈবাং চুনাপাপু য়ামনা পাললিয়ে। ৫ ১৯৪। লাইচা তভুত। য়ীর সানতেংখিয়ে। ৫ ২৯৫। সীঙলেল নুংসপা লৈবাং নীঙশিপাপু হেকনা মাপল পাখঙ য়োয়রেলপা, পললেন মামা যাংখুতে লকা আনীমাপু পুনেমগিয়ে হাইতাপারা। ৫,২৯৬।

খোইয়ম য়াযকোলনুংপু তালনা চঙখিরে। ৫,২৯৭। মানলং নুংসীংনিংে নৈ মাকু পুলসীপাপু চংলৌ সক খঙভামলাপাকি পাংহ খিযে। ৫ ২৯৮। সাপি মাকু পুলসীপা নঙপু খৌরম কারি লৈপাকি লৈঅপু য়িলতালকপানো হাইনা পাহেংখোলকি মাকু পুলসীপানা পাংখুমখিয়ে। ৫,২৯৯। নাপারি তাসীনা মাকলেম লৈমাইথকত। কুমৈ নুংভাইপা কারমপাপু লৈরিকাপানো মীংয়েং সানখৈনীঙয়ে হাইপাকি হৈনা মাতু য়িলনা খোইয়ম নঙভোনতা রাইথুংলাপানে। ৫,৩০০। হাইনা পাংখুমলাপাকা খোইয়ম করৌহলপাপু ফৈরা তালতা থোং, খাচাই লেরোন চুপ, সমলাং তেলকা নালনা রাহম-

খিয়ে । ৫,৩০১ । পাব যীশুংড্ চেংলৌ সকহেনপা নঙপু নাপল হৈনা চেংলৌ সক থঙওমতাপাকি মাংহোকখানানা য়োয়রোই ওমতে হাইপাকি পারি গুকনাড রাবোঃ পীকুনো । ৫,৩০২ । হাইনা য়োয়-চালনারাপাকা চীঙঙ্ কবৌহলপাকি চেংলৌ সকপালপোং পুশু-লেপপালপোংপু [illegible] খোইমোম লাক্লুবা [illegible]মনামতা রুলপী পুকনীঙ লনাবে । ৫,৩০৩ । না[illegible]ল [illegible] মাংনোমলোন সঙ্গুরেঙ নীঙা [illegible]না চেংলৌ মী[illegible] [illegible] কনা রা [illegible] কনী[illegible] [illegible] ৫,৩০৪।

হে [illegible]রু [illegible] রুবম লৈচাং[illegible] [illegible] লৈমা সংবুবেঙ নীঙ [illegible]কি লৈমা মতৌ সৈগোন[illegible] [illegible] [illegible]কনীঙ ত[illegible]না নাতখো । ৫,৩০৫ । অ[illegible]ডাং কবৌহলপা[illegible] সক[illegible] [illegible] নাংপাতা থাবা[illegible] মানিবেলপু চেন[illegible]বা [illegible]কি লৈমা সংবুবেঙ নীঙ [illegible]পীতী রুলপী [illegible]নীঙ [illegible]লা[illegible]ক সামু [illegible] চুনতাবে । ৫,৩০৬ । চেংলৌ ম[illegible]ং [illegible]না ত[illegible] খুং[illegible] [illegible] [illegible] খেংগা পুমনমাপু [illegible]লৌরলে । [illegible]৩০৭। [illegible] মাহা[illegible] খুতাঙপু [illegible]নলেঙ কারল চলনা না[illegible]মা [illegible]কি [illegible]ল । খোই[illegible] সামু খুৎনা নমনা খৌথামঙনত[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লে[illegible]ননা[illegible] [illegible]তা রাহম[illegible]য়ে । ৫,৩০৮ । হে [illegible]তা [illegible] চা[illegible] খোয়নৌ [illegible] নঙগোয়পু ক[illegible]লৈ স্থপতো পাল ক খোংথম লাইন[illegible] পাংঙ য়োয়বেলপাকি মাপা[illegible]র চীঙঙ্ কবৌহলপা অসীপু খোইয়ম পা-পাথং মারকতা ক চেংলৌ [illegible]না সককোয় হেনয়ে । ৫,৩০৯ । খোইয়ম লাইর্তাক চঙখোনয়ে । ৫,৩১০ । আঙাং মতৌ নীঙাপপাপু য়েংনা খোইয়ম লাইন্নুরা কানাকুমপানা আপাম গুকনীঙ ঙাকঙম-

লাকাপ্লানো ঙাবঙমলোইয়ে হায়না পাংমেল্লুনাখয়ে । ৫,৩১১ ।

চীঙগু নোংখোং সাম্বারেলকি মামোন লৈমা নোংতারেঙ নীঙ-খপ্লুগুঙ খোইমোম লাইহুরা ১০০০ (মাসীঙ আনা) মাপু সীঙলেল লৈকি তুলাহ তোনা পাইশারকলাপাকা লাইচা য়াপাল লাংনা রাংথুংলারে । ৫,৩১২ । লৈনা সংবুরেঙ নীঙথপীক খোয়নৌ মাতা লেমালনাপীঙগুঙ ১০০০ (লাসীঙ আমা)সুনা ফা-রাপাকা খোইমোম লাংগুবা ২০০০ (লাসীঙ আনী) মাতা নাংগু পালসীঙনানা লাইচা য়াসংকি কোংলোংপাপু রুলপী ফুসীঙ পীনা তোইতাঙ নাইহরে । ৫-৩১৩

হে লুপা লৈকোংপাঙো নঙগু থোংয়াম লাইহুরা নীঙথপী-সংক মতৌ সৈসোনপাপু খুলাং । পুকনীঙ পীনা নাতাঞো ।৫ ৩১৪। য়ায় ! লাইবেমন সতা লাইচা য়াসংক কোংলোংপাপু সালনা-পাতা নাংগু পালপো নাতারাপাক কনচাং নামাঙ হো, খোয়নৌ মাশিনপনা লাংচাংপোং ।া। সামু মাংখোক খলপেকনানা লৈখোম লৈকম পেকলাপাকা সামু হুকসাং তনন। হুলনারকলে । ৫,৩১৫ । লাপাক ভালখম তন, মাইথোং চাহয়ংয়েনা হুলনারকলে । ৫,৩১৬ । লৈতাল লৈতুন তানা হুনানাখয়ে । ৫,৩১৭ । সামু হানখেং ফং সারেঙ মাতলপোনপু নমপো নৈরাংনপুমপীনতা পালপোম তানয়েনারকলে ৫,৩১৮ । খাপাকি মাপেল লাংথংনা, সমলাং মাসেল ফানাচংনা পাঙসা আপীপাপু ফংনারকলাপাক লাইচা য়ীরা-খোলপু মালপেন লৈপু নীকলকলে । ৫,৩১৯ । কোরৌ নোংপু ফংনা ঙঙখৎখয়ে । ৫,৩২০ ।

য়ীসিং য়ীবাংখোনপু নাতাবাপাকি নাওয়া কবোইহলপাতী মীৎযেং সানথৈনীঙংগাকি লাইচা পখাবী য়ীপাল তালনা চংথোক-লকলে ।৫,৩২১। কুমৈ মথৌ যেংপাপু নুংঙাই মাথৈ লৈতে ।৫,৩২২। নোংলাইনিংথৌ মামোমলোন লৈমা সংকুবেঙ নীঙথিপীসুঙ আরা নোংনিংথৌকি মামোমলোন লৈমা নোংতাবেঙ নীঙসিপী আনীমানা-চিংনা থোযনৌ মাতা ২০০০(লীসীঙ আনী) মাসুঙ সীনৌ লাসিং ও ন-কুম নৌথোক্টপীসিংকি সামু মাহাকসা তা লৈতলে লৈখোম তেংপাপু লেমলৈ ঙারুংতোংপা লৈবাং মাতম শালকুমলে ।৫,৩২৩। চ ঙঙ, কবোইহলপানা পুখাবী চাংচো য়ীপাল হত ল না শাংযেং সানথৈ-কয়ে ।৫,৩২৪।

লাইচা য়ীবেলসুংকি নু ঙাই কুমৈ সলনা নপীসিংনা চেংলৌ মীৎথীংলাপাকি মীৎযেং তেলপাল গাত না লং চা পাসানাপা পুমনা থোকাংনারে ।৫,৩২৫। সাম হকসাং সেংনা য়ীক সানতে লাপাকা চোযনৌ সানা ফিবোয লমডান পাসিংপু সেংসলনরে ।৫,৩২৬। লৈমা নোংতারেঙ নীঙপীনা খোযনৌ মাতা পালকনসীসিতা নাপা চৌক-থেমনানা রাহমখযে ।৫,৩২৭। লৈবাক মংগীশকতা নীঙ মাথৈ লৈতানা লেংলাপ। আসীপু খোইযম কানাকি মাংমা বংসুনা থকাপানো ।৫,৩২৮। হে খোযনৌ যতা নুচলসী নাতৈলৈলমা আহেনপীঅো নঙপু লৈরাই মুংগীশকতা ল লাংমা আসীপু খোইযম কানা বোইবা-পানো ।৫,৩২৯। মাপল কানানা পোকপানো ।৫,৩৩০। কোনলোয মামিংথোংসুঙ কাবি কৌপানো ।৫,৩৩১। খোয়নৌ য়ীতা কানাকি থংলেল মাপু আবোইপাপু রোইবিকাপানো ।৫,৩৩২। হাইনা আসুম

পাওহংপাপু খমচীঙবোলকি মামোম লৈমা চাংনিংখোমপীনা পাৎ-তাকলকয়ে ।৫,৩৩৩। মাললেন লৈকোয়রেলকি তমপা য়াইনিংথৌ চীঙভু পাগঙয়োয়রেলপাক মাপা রনে ৫,৩৩৪। কোনলোয় মাখিং-থোংতী চীঙঙ, করেহলপাঅো তৌনা কৌয়ে ।৫,৩৩৫। তানলোয় নাকতা থানা লুমলেন্স হলচাপীপু লৈতা বিয়ে ।৫,৩৩৬। মুংঙাই কুমৈ য়েংকে হাইপাকি চীঙভু লাংফমলেল খুতিঙতা নাবা মানীঙতমনা আঙাং খুল পোইবকপানে হাইনা পাংতক খিয়ে ।৫৩৩৭।

আবাং নোংনিংৌক মামোম লৈমা নোংতারেঙ নীঙখিপীতী মারৌ খোয়পুঙ লৌনাচাও তঁঙঙিকুম লৌরোনকে নীঙলাপাকি খোয়নৌ মাতাসিংতা নাপা চীকথেমনানা রাহমখিয়ে । ৫.৩৩৮। নোংতোল লাইনুরা নীঙখিপী নঙখোয়পু লৌসিং কারমতৌনা পুচেম-ঙমসীপানো ।৫,৩৩৯। হে খোয়নৌ য়ীতা লৌসিং সালরোনহৈপী লৈরি লৈসংনু নাপীঙঙানা চেংলৌ সক রহালবুনো ।৫.৩৪০। পুন্নুং লেপখঙহালতানা য়োয়পু ইঅকি সীঙলেল দুলাইংবতা হাপলাপাকা য়ীপল আবাং লাইরৈপাকপু তলনা পুচেনসে ।৫,৩৪১।

হাইনা রাতানাপাপু নোংলৈনিংৌ মামোমলোন লৈমা সংকুরেঙ লৌসিংপীনা সালখঙলাপাকি নোংলৈ লাইনুরাসিংতা পাওমেলখিয়ে ।৫,৩৪২। আঙাং করৌহলপা আসীপু সিলফম লৌনমপা লাইচা য়িরৈচলকুমপাপু থোকলারাঙৈনে নাতা অৈনা সালখঙলে ।৫,৩৪৩। নাবা নীঙখিপা আসীপু সামু খুৎথুম চলখিকানে ।৫,৩৩৪। খোয়নৌ চালনাপী নঙখোয়পু পুকনীঙ লাইরেকফারোইয়ে । ৫,৩৪৫ । নোং-তোল লাইনুরাসিংকি সামু খুৎথুম চলখিরাপাতী য়ীপলকি থাঙসং

মাথুংদ্সু য়াইরোংপাতা থুমনা মাঙহালগৈনে।৫,৩৪৬। চেংলো মীৎপু কুপকুনো।৫,৩৪৭।

হুবা চৈবৈ মানমথাংগু নমথা খাঙসেংনাবে।৫,৩৪৮। চীঙঙু কবৌহলপাকি সাম্মু নাবতা যোমনা মাতোম মাতোম সেললাবকলে।৫,৩৪৯। লৈবিন্দু সালরোলহৈপীন্দু লৈসংদু যাইহৈপীকা আনীমাতী খোইয়ম লাচিনি বুতানাপাপ্ত সোলসিললাপাকা চেংলো সক য়ুহালতানা নাওরা কবৌহলপাপু থুবাঙ পনসি কোলমা নোংতাবেঙ নীঙথিপীকি লৈমা ঙলাইপকতা হাপলা মপা তুলাই ১০০০ (লীসীঙ আমা) মানা চাংকোম নংবোল ৫ (মাঙা) সনা কোনাপাকা তুলাই সাথৌ থোংনা কাথৌ নোংতোল বতা পাংখলখলা। কি নোংলৈ নিংথৌ মাখোমলোন লৈমা সকুপেঙ লৌসিংগী তী খানৌ মাতা ১০০০ (লীসীঙ আমা) মাবা চেবলা সাফু কনপা পোলপী খাবঙ হাম্নুচেককি চেংলা মংসংমালকম। পু মাই, মহু হৌ, লৈমা মাথীনা না পাইখংখিবা পাবা ঙলাই চা কোই ৫ (মাঙা) মাপু লাননা পাইসিনখিবে।৫,৩৫০। নোযনৌ মাতা ১০০০ (লীসাঙ আমা) সুঙ মাতোম-মাতোম চেনসিলন। শিবা বা সীঙলেল তুলাই থকতা লৈমা মাখোন হাঙতানা তোংমানাবদে।৫,৩৫১।

লৈমা সংকবেঙ নীঙথিপীতী যাদপী মান্নুংহৌ তললাং মাখোয় সাওনা নোংতাবেঙ নীঙথিপীকি সমলাং ফামনা চংনাব, নাহুম তমনা থুপাক তিঙ্গলাই মেল, সমলাং ফামনা চিংনা লাকনাপাপু চৈরংনাতারাপাকি আঙাং কবৌহলপাতী লাইচা য়িবৈচলবুমনা য়ুলপী পুকনীঙ ঙকলে।৫,৩৫২। লৈমা আনানাক খুংচেং হংচি

লাকনা পৌখাম'খয়ে। ৫,৩৫৩। হে তমপা নীঙথিগী নাপীঙডাপু চেংলৌ মীৎকুপমাগনতাআপু ডাইশমখো হাইনা খোঁখানথিয়ে।৫,৩৫৪। তাঙচা সমচিংনাপাকি সামু খুৎথুম আনীমাস্তুঙ লৈ'পোকপি-রাপাকা চীনকোয় আমেঙপা, য়াং আখুমগানা রাহনথিয়ে।৫,৩৫৫। হে তমপা নীঙথিগী নাপীঙডানা নোংতোল লালসোকনাপা আসীপু গৌরম কারিকিনো ঔঅপ পাংতাকপিঅো। ৫,৩৫৬। লৌথুপ কোই-পানারাবুনো। ৫,৩৫৭। লৈমা নীঙখপী নাপীঙডাকি আপাম লালসোকনাপাতা না রা ঔঅপু চৈরক নোংহাঙনারাকানে। ৫,৩৫৮।

হা না রাহমখোল ক লৈমা নীঙথিগী আনীমানা পাংখুমলকঅে। ৫,৩৫৯। খোংয়ম লানিনথৌ কি মাপারি নঙপু য়োয়পু য়ীখোয়না য়াং কানিরমপাপু পাংখুমসপানো। ৫,৩৬০। লৈমা থল্পলথৌ পুকনীঙ আপামপাকি ললমুল লালসোকনাপাপু লেপনা পোকলা-বাপানে। ৫,৩৬১। আমোম মাপৈলৈতাপাপু হে য়ীপুঙু সামু নাখোঙখানা কাম ডাকপিকাপানে। ৫,৩৬২। হাইনা পুনেমচারা-পাকা চীঙঙু কাৈলদানা বাহমলকঅে। ৫,৩৬৩। হে তমপা লাইবেমমা নীঙথিগী পুকনীঙহপী নাপীঙডাকি লৈমা লালসোক মারকতা নাংরা ঔঅপুস্তুঙ য়ীকাই লালনহাললে। ৫,৩৬৪। আঙাং পুকনীঙ থুংনাপাপু রাহমলককে। ৫,৩৬৫। নাংরা ঔকি পুকনীঙ মাতুং য়ীলপীরাঙৈনে। ৫,৩৬৬। হাইনা লৈমা সংকুরেঙ নীঙথিপীপু সামু রোয়বম পা, নোংতাবেঙ আহেনপীপু সারেল য়েৎলম লাংনা চীঙঙু করৌহলপাকি ছুলাই মাথুনেৎতা তোংনা সেকপিল মাথোন ৯ (মাপল) সুপাকি থারাক লৈনা থাংপাপু রুরোক লৌসিংপানা

খাললে । ৫,৩৬৭ । মাকু গুলসীপানা ড়ুলাই সাপো খোই থীংলো নীঙনাতেনা হলরাইরকলে হা তাপাবা। ৫,৩৬৮ ।

খোইমোম লাংলুবা ২০০০ (লাসিঙ আনী) মাস্তুঙ মাতা লুচিং-পীপু সীঙলেল সেংনা ঙমত লৈরাং থাইনা ঙমতাপাকি সানা মামৈ রাইনা হৈনা মাতু য়ললকলাপাক দুলাই মাসিঙ আয়ামপাপু কোরো নোংতোল লনা ঙাংরোয়নারকয়ে । ৫,৩৬৯ । চীঙলেল পললাং লাননা কোলংং চা কোয়রেলপু রোং রপাক পললোল চঙলকলাপাকা মাপল সানা মাখোঙখাতা রাংখুলারে হাংতাপারা । ৫,৩৭০ ।

মাপল পাখঙ য়োয়রেলপানা মাপারিপু যৈরা তানতা খোং সমলাং তোলকা নালনা য়োযচালঙামযে। ৫,৩৭১ । পললেন মামা য়াইখুতোলনা মাহুইরোন তনপা নীঙথপী আনীমাপু সমলাং তোলকা নালনা য়োয়চালপীঙামযে হাইতাপাবা। ৫,৩৭২ ।

খোই হঙক চক ক চাহৈ কুমসিঙ লাখা ১৭ কা লীসীঙ ৭ চা ৭ (লাখ আমা লীসীঙ হুমফুতাবাত রেং কা চাত রেং) হৌখিরাপা-কি মাপল পাখঙ য়োয়রেলপাতা কোরো নোংকাপৌপু খৌরালকলে । ৫,৩৭৩ । চীঙঙু পুরৈহলপানা চনা থংচীঙ লাংমারুস্তুঙ চীঙঙু নোংখৌ সারারেল, মানলং নোংসাং নিংথৌস্তুঙ নোংপোক মানলং হুমরোহপা, লৈনুং খোঙারেল, রাঙপারেল থানা চাংপা, সলখোঙ য়োয়রেলপাস্তুঙ নোংলৈ নিংখৌ আহেনপাকা খোইয়ম পুমনামাপু রাইথুংলারে। ৫,৩৭৪ । চাঙঙু মাপার করৌহলপাতা চোয়নৌ সানা কমপাললাংপু সামু খুংসলনারাপাকা খোইয়ম পুমনামাতা রাহম-

থিয়ে । ৫,৩৭৫ । চীঙঙ্ লাইমারু আয়ামপা নঙখোয়না পারি করেৌহলপাপু লোকলৌ সানা কোলনা নাংয়োকপিরেৌআ । ৫ ৩৭৬। হাইনা পাংমেললাপাকা মাসানৌ য়াইখুতেল নীঙথিপীকা সাঙলেন লৈকি দুলাই সঙথোন ৯ (মাপল) স্তুপাতা চীঙঙ্ মারাংকাইনা ঘমঙমলাপাকা খোইয়ম বৌহলপানা চিংনা মাসানৌ সংকুরেঙ নীঙথিপী, নোংতাবেঙ আহেনপীকা তমপা লাইনুরা ২০০০ (লৌসাঙ আনী) মাস্তঙ মলেলেম লৈতাপবনা পুনেমচারেৌয়ে । ৫,৩৭৭ । খোইয়ম মাসীঙ পাঙমতা দুলাই মাসীঙ লাকঙমতানা আরাং নোং-লৈপাকপু য়ৌনা থিঙলমলুরে হাইতাপারা । ৫ ৩৭৮ ।

তয়ো হঙক চক য়াইমাপাতা চীঙঙ্ বরেৌহলপানা খোইয়ম লাইনিংথৌ রোইনা পাললময়ে । ৫ ৩৭৯ । চীঙঙ্ মাহাকক রায়েন মারম অয়ামপাপু লেমনা তেংথাঙলরোইয়ে । ৫,৩৮০ । তাচা সমপুম মারমতা লুরাং হোঙনেম লৈকোইপা নঙঙোনতা রাহমলককে । ৫,৩৮১ । পুকনীঙ থাচ গোইনা নতআে । ৫,৩৮২ । আস্তুম রাহন-লমপা মাঙাং কুকম চপা মলেলকোইপাক কোনলোয় মাপাং-তাকপু লাংবেল মৈতেঙ্ পামহৈপা চীনকোয় মায়াধংক নাতাই-রেম য়ীখোয় ৩ (আহুম) মানা মললেম লৈসেমলোল সৈরোনপা আসাপু থিচীকতা তেংথারককে । ৫,৩৮৩ । রুলনী পুকনীঙ তুমনা নাতাপআে । ৫,৩৮৪ । হায় হায়া হ হে ॥ ৫,৩৮৫ ॥ ★ ॥

৬ সুবা পনখৈ

আসাইখৈকি চীঙঙ্ তাঙপীরোয়নাইনা তাইপঙ পুমনামাকি তুরেল লাইচা তুতৌরুপাপু লোমলাপাকি থীঙলো নীঙনাহৈনা রাইখুংলারে। ৬,১। খোইয়ম তাঙপীরোয়নাইনা রাহমখিয়ে। ৬,২। চীঙঙ্ কুরুম সিতাপাপু ফমপী কাতাইরমতা লোংখিঙমলাপানো। ৬,৩। নাপল পাখঙ য়োয়রেলপাস্লুঙ কাতাইরম হৌখিঙমলাপানো হাইনা পাঙহংখোলকি নোংপোক মানলং হুমরোইপানা রাহমলকয়ে। ৬,৪। য়ীসানৌ তাঙপীরোয়নাই লাইচা য়ীনিংখৌঅো নঙপু ক হঙক চক অহালপাস্লুঙ থোই হঙক চক মাথংমাকা চক আনীমাপু মাতোল লোমখিরে। ৬,৫। চক রায়েল হেলফারোইয়ে হাইপাকি কোরৌ নোংখৌ লৈপাককি চীঙঙ্ ফমপীরেলপু তালনা কোরৌ নোংকাখিরে হাইতাপারা। ৬,৬।

তাঙপীরোয়নাই সিতাপাস্লুঙ তুরেল লাইচা তুতৌ পাওপু পাংতমখিয়ে। ৬,৭। খোইয়ম পুমনামাকি চীঙঙ্ লাইনিংখৌ তাআঅো। ৬,৮। নাপল অৈনা তুরেল লাইচা তুতৌরুপাতি কংলৈ পুঙমায়োন চীঙঙ্ লাইকোলনুং আসীপু হালনা তোরময়ে। ৬,৯।

মাহৈতাইপীবোক থামং য়ীমাকনা কোলনুং যৈতুপ সম, লংপা য়োয়কোলনুংকি কোলনুং য়াইতাবাঙনা তুবেল তুখাঙখোং মাথেক আহুম রোইপাকি মাংেক ফৈপু লৈবোং সানা লাইচা তুতৌরময়ে ।৬,১০ । লৈকোয নাহলখোংসুঙ তুবেল ল্যাইচা য়ীবিললেলসুঙ বোঙকোই য়ীমাবিলকা কাইপা আরাংখোংসুঙ থৌপাল সেললোয় য়ীকা, থুখা নোংলৈযীসুঙ তুবেল য়ীরম ৭ (তাবেৎ) মা আসীপু তৌরমলাপাকা নোংলেম খানা পাংপারমকি তুবেল কাংতোইযী লাইচা য়ীকমখোং খোংলেল তাংখুযীসঙ লাইচম য়ীয়াখোং খুরোয় য়ীরেলখোংকা তুবেল খোঙকাংয়ী লাইচা যীমুখোংনাচিংনা তুরেল লাইচা য়ীসিংখোং আচৌপানা ১২ (তারানীথোই) সুয়ে । ৬.১১ । ল্যাইচা য়ীসিংখোং খোংসা আপিসাতী ২০০ (চানী) , ৩ (আহুম) থোই শুনা লাইচা তুতৌরময়ে । ৬.১২ ।

নোংচুপ মাইবিরংতা লাইচা বহায়ী য়ীনামুংকা সংথু য়ীহিল-খোংকা, য়িমু য়ীরেলখোং সলখোম লাইচা য়ীবেলখোংকা খোইরাং য়ীচেনখোং, কোমমারি লাইচা তুবেল নীঙথিপাসুঙ খুমহী খুমলেল খোংনাচিংনা তুরেল লাইচা আচৌপাতী ১৩০ (চামাকুনথ্রা) সুনা তৌরময়ে । ৬,১৩ । লাইচা খোংসা আপীসাতী ৩০০ (চাহুম) সুনা সাজুসেমলময়ে । ৬ ১৪ ।

আরাং লাইনা পাংপারমতা পামম্রসা তুরেল আচৌপা সং গসী তুরেল নীঙথিপা পোইরৈয়া তুরেল নীঙথিপা লাইচা য়ীরাইখোং-সুঙ খোংলেল হেমতৌয়াই লাইচা সলখোমলেল, খোংলেল হীরাংখোং-সুঙ তুরেল আচৌপাতী ২৩০ (চানিকুনথ্রা) সুনা লাইচা তুরেল আপিসা ৩৬০ (চাহুমকুমথু) সুনা তুরেল লাইচা য়ীরম সেমলে ।৬,১৫।

নোংপোক মাইকৈ পাংপাবনতা লাইচা হুমলেলখোং কুমচা মাইথাখোং, সমপুরা তুরেল আচৌপা খাঙপা লৈহনখোং, চীঙখৈ লৈনাখোং, নোংপোক পোকলেলখোংকা লাইচা থুমলেলখোং, থুমলেল য়ীচাংখোং, কোকলেলসাংপা য়ীনংচিংনা তুরেল লাইচা আচৌপাত্তী ১৭ (তারাতারেৎ)হয়ে ।৬,১৬। লাইচা য়িসিংখোং আপিসাতী ২৩৭ (চানী বুনপ্না তারেৎ) হয়ে ।৬,১৭। তাইপঙ পুমনামাকি তুরেল লাইচা খোংলেল আচৌপা ৫০০ (চা মাঙা) হুনা তুরেল লাইচা তুংতৌরমলে। ৬ ১৮। লাইচা খোংলেল আপিসাতী খোংলেল ১০০০ (লীসীঙ আমা) হুনা তৌরমলে । ৬,১৯। মাললেম লৈথারোল য়ুথক লাখা ৮ কা ৪ (লীসীঙ মারিফুকা হুপনা মারি) কি খোংলেল মাসীঙ লোমনা তেংথা ঙমলাগোইয়ে ।৬,২০।

আসাইগুকি চীঙগু করৈহলপানা রাহমখিয়ে । ৬,২১ । হে য়ীপল তাংপীরোয়নাই সিতাপা নঙতী লাইচা তুঙ য়ীনিংপৌপু আোইরুঅো । ৬ ২২ । হাইথারাপাকা মাপল তাংপীরোয়নাই সিতাপাসুঙ তারঙ লাইচা য়ীরোলমুংকি মায়ায় লৈকোয়রেল কোয়রেল য়িরৈংোঙতা তেঙহল হংচৈ হুনা লাইচা কোকনীরোঙপা খোংদা হুমলেল লোঙপাপু সারেল য়েৎ-রোয় থুমনা লাইচা য়ীরেলপুঙ নোংলেন খানা পাংনা চিংথায়ীকি তেংখল হংচাও য়ৈয়ে । ৬,২৩। আরাং নোংলৈপাকপু তংলনা পুখৎয়ীসুঙ খোংলেল হংমীৎ লৈনা লাইচা তারঙ তমলেল আচৌপা আসীপু নোংলেম খানা পাংনা চেনথারকলে ।৬,২৪। কোরৌ নোংতেংলথকত। লাইচা পুখৎখোংপু

খোংলেল আচৌপা ৫ (মাঙা) মুনা আবাং নোংলৈপাকতা পুখৎয়ী খোংলেল আপিসা ১০০০ (লীসীঙ আমা) মানা পুখৎনারিয়ে। ৬,২৫। খোপালতোং ফুসাপাকি তারং পুঙমাই লৈকুমনা লৈরোন নোংলোল ৩ (আহুম) মাকি তুরেল লাইচা য়ীচেনপাপু তাও-পীরোয়নাই সিতাপানা নোংতমখিরে হাইতাপারা। ৬,২৬।

চীঙঙ্ করৌহলপাকি খোই হঙক চক য়ায়মাপাতা তনলা বুরী রারী পুমনামাপু পামেল বুচাংমুংকি পোকলকপা মাসেলনে। ৬,২৭। য়াইবী লিরেল আনীমানাচিংনা লিরেল লাথমপোঙ, হুমপোক তাংতালপা, লিরেল বোবচাংপা, লীংসপোঙ তাংখুপা লিরেল, লাতোয় ৬ (তাকক) মান্তঙ সীঙলেল বুরীরিবা য়াইখু য়াইচললী, হুমলেল হামলেললী, পারিং লাংসংলীকা, আমল সীকুম-লী, কোরৌ নোংকালী, তনলা বুরী খৈপীকপু সারেল য়েংতারি খাঙরাইরীনা পোইরৈ নৈতৈ সানা পুঙমায়োনতী তংলা আঙনপা পানেল আরেনপা খুতীঙতা সারেল য়েংনা কোলনা নাংয়োক-নামুনো আসুমনা নোংতনপীরমমে হাইতাপারা। ৬,২৮।

চীঙঙ্ পাখঙ য়োয়রেলপা মাপারি খোইয়ম করৌহলপাকি মাসানৌ সংবুরেঙ নীঙথিপীনা সামু বোয়রম ফম, তমপা নোংতারেঙ আহেনপীনা সারেল য়েংলম লাংনা খোইমোম লাইমুরা ২০০০ (লীসীঙ আনী) মানা সামু হকসাং সেংনাপা লাইচা য়ীরীবলাই তুরেল লানপী লৈসামখেলকি হিখেল মাতা হেনপাতা য়ীরু সান-তেলাপাকা আয়ুক চীঙইথ লৈনা হুললকপা, মুমীৎ পুঙকোয়

য়ুংলিঁঙ, চেঙকুপ নারল সীরকপা, নোংয়াই পুঙখোয় লেপলিঙৈকি মাতম রায়েল ৪ (মারি) মা আসীকি মাতম লাকলেল সোয়হাল-তানা চোয়নৌ সানা মেললাংচালকি কংলা নোংলৈয়াঙপু কোয়না কুমৈ নুংঙাইপাপু কোরৌ নোংতামতা মুমীৎ সীঙপুমমাপু সোয়হাল-তানা সালনারময়ে। ৬,২৯। সালনা লমচৎ আচেৎপাতী কানা হাইঙমলাকাপানো. হাইঙমলোইয়ে। ৬,৩০।

চীঙঙ্ করৌহলপাতী সামু মাহাকসাং লাংচেং মাকারকপাপু ২০০০ (লীসীঙ আনী) সুনা সানফোংলকলাপাকা তমপা লাই-মুরা ২০০০ (লীসীঙ আনী) মাতা মুচা মারেন হাঙতানা হারাও তোয়তাৎনৈয়ে।৬,৩১।তমপা সকমায়োনসিংকা মানলং মুংসিংথোঙ নাকোঙ পোঙচাৎরেলতা হায়ি মিংথৈরেলপু সোলঅো।৬.৩২। হৈরোম মিংনামুংপু থাবুনো। ৬,৩৩। ক সানা মিংলেলচি ৩ (আহুম) মাপু কাৎকুনো। ৬,৩৪। চোয়নৌ সানাচীঙাক চীঙলেল চীঙলাইপকতা থুনৌ তোংনা পাললিপা পুঙনে। ৬,৩৫। মিংলেল ৩ (আহুম) মাপু হেলনা লৈতারাপানে। ৬,৩৬। মিংলেল ৩ (আহুম) মাপু নৎতানা থারাই লাননা হিপু খোইয়ম কানানা সালসেমঙমলাকাপানো।৬,৩৭। খোইয়ম মাইকৈ ঙাকপা পুমনামার্তা থারাই মাখোয়কি মামিরেলপু থাচাঙমতানা লৈরিপা মাসেলনে হাইনা রাঙমলাপাকা তমপা ২০০০ (লীসীঙ আনী) মাকি থুৎচেং হংসরাক থুৎপী কারোঙ রাইনা রুমং ৮ (নিপাল) মাতা হারাৎ তোয়তাৎনাপার্তা তমপা লাইমুরা থারাই সকমায়োনসিংকি রুলপী পুকনীঙ থুংনাপানে। ।৬,৩৮। পাৎসো মাতোল লোমলাপাকা খোইমোম ২০০০ (লীসীঙ

আনী) মাস্তুগ ফমপী মাথোয়কি ব্রমংলেল ব্রমং ৮ (নিপাল) সুপাকি চোয়নৌ সানা সঙকাইনুংতা শীঙলৌ নীঙনাতেনা হুলহাই-রকলে ।৬.৩৯। চীঙগ, করৌহলশাস্তুগ মাসানৌ সংকুবেগ লৌ সিংপীকা নোংতবেগ নীঙ শিপীকা আনীমা মুঙাইরোয়নানা কংলা নোংলৈয়াঙপু তালনা য়াচঙলকলে হাইতাপারা ।৬,৪০।

খোইয়ম করৌহলশাতী আঙাং মাহৌসাপু পুকনীঙ মানীঙ তনয়ে ।৬,৪১। থেনীঙ শমসংতোং, পানম হেকমাই কানা নাংব্রা তোইতাঙনোপাপু মাতৌ সৈরোনয়ে ।৬ ৪২। খোইযম মাইকৈ ঙাকপা ৮ (নিপাল) মাকি ফমপী য়াইকোলযুংতা চেংলৌ নীংকুপ মারমতা-আপু ফাওকলাপাকা খোইয়ম মাথোয়কি চোয়নৌ সানা মেলশাংচালপু তোংনা সাশনারময়ে ।৬ ৭৩। তাপা লাইনুবা সিংকি হারাও তোয়-তাওফমতস্তুগ চঙনুবাপাকা তমপা সকমায়োনসিংকি থুংচেং হংচি রাইনা চিংলময়ে ।৬ ৪৪। তঙচা মাসম লাকনা হাইরময়ে ।৬,৪৫। লাইনুবা নীঙশিপী সংনা খুংফাং চাংচৌ চেশনাবোল সিঙলেল লৈসী লৈনে ননানা পুকমচাখিযে ।৬,৪৬। হে য়ীপুংঙ খোংয়ম লাইয়িং-থৌঔ নঙপু নতাংবেম য়ীখোয়না শৌরম কারি য়োনশাপানো ।৬ ৪৭। লমচং কারল চলপাক তাঙচা সমচরাকনা হাইপাপু লালনলে ৬ ৪৮। সামু থুংচেংলাকনা কারিকি চিলাপানো ।৬,৪৯। য়োয়পু য়খোয়কি চৈরি ফিমায়োনস্তুগ খোংমা নারোলযুং কাতাংতা লোংলমপানো পাংতাকপিরমঔ । ৬,৫০ । হাইনা রাহমখোলক চীঙগ করৌহলশানা পাংমেলখিয়ে, হে খোইনোম লাইনুরা নাঙাশপী নঙখোয়কি চৈরৈ মাফপু খোইমা নারোলযুং আসাতা লোংলমপাকে

।৬,৫১। তমপা সকমায়োন নঙখোয়তা থৌরম আযোনপাকি থারাই য়াইপীরেল সিতাপাপু ললসিংপীরমকে। ৬,৫২। বুলপী পুকনীঙ পীনা নাতাআম্মো।৬,৫৩। তারঙ পলতেল নাংতাপা আসীকি রাকয় হিপু রোইনা লালপ ঙমপা থারাই ললমাকপু ললসিংলমকে।৬,৫৪। হায়ি মিংহৈরেলপু সোলআে।৬,৫৫। হৈবোম মিংনামুংপু থাবুনো। ৬,৫৬। ক সানা মামিংলেলপু থৌকাংকুনো। ৬,৫৭। মিংলেল ৩ (আতুম) মাপু নংতানা থৌরম আমা তৈনা লৈতারা-পানে।৬,৫৮। হাংনা পাংতোকাপরমলাপাকা কলা লাইয়ীমলেলতা রাংখুংলুরে হাংতাপারা।৬,৫৯।

তমপা লৈমারেল সংবুরেঙ লৌসিংপীনা মাপারি আমাপু নাঙ-নৌরবলে।৬,৬০ কোনলোয় মামিথোংপু কৌপারেল আহলপাআে তৌনা কৌয়ে।৬,৬১। চেলৌ খোহনা সককোয় হেনয়ে।৬,৬২। পাইমা লৌসং চাংনা পালকন মাপা তামযে। ৬,৬৩। আঙাং পুকনীঙ চঙপাপ পননা লৈতে।৬ ৬৪। চঙঙ কৌপারেল আহল-পাতা আঙাং লাংচেং মাবারক খাইমা তেলচৈকুন মায়ীনলবলে।৬,৬৫। লীচু তেলসু হৈপাপ মাতাক পানতম লৈতে। ৬,৬৬। খৌসা চেং চেং তননা অাঙাং মনেরালকনে হাংতাপারা।৬,৬৭।

চঙৈশ মা ফুন তৌন নোন মোঠৈয়ু ঙ পীপু চেলৌ সককোয় হেনয়ে ৬ ৬৮। নুং লেননা ঙ লাকি খোইয়ম লাই-পাখং পুমনামানা। বুলপা পুকনীঙ হুনয়ে।৬,৬৯। আপাম পুকনীঙ ঙাকঙমতাপাকি চীঙথৈ য়াইফু নথৌক কোলনুং মারালয়ায়পু

খোইয়ম লাইপাখংসিংনা কোলন্নুং মায়াইবেলস্তুঙ কোলন্নুং চাংকোয় রেলস্তুঙ সঙলেল লালনুপ কাকুম য়ীনসিলনারকলে হাইপাপু নাতাযাপাকি চীঙঙ্ কোপাবেল আহলপাস্তুঙ মাপল সাম্ মাখোঙথাতা খুংফাং চেপনাবোলনা পুনেমচাখিযে। ৬,৭০। হে য়ীপল য়ীপুংঙ্ তাআঅো।৬,৭১। ভুলাই নাখুনেং আপাইপাস্তুঙ তাৱং পাংকোয়য়াংপাকা লীকুং তেলপী য়াইৱোইপাস্তুঙ তেলপী মাসীঙস্তুন ললকুপীঅো।৬,৭২। মিমাকু পুলসীপাকা ৱুবোক লৌসিংপা অনীমাস্তুঙ ঙাংবোযনাখিকে হাইনা ৱাকংলমলাপাকা ভুলাই সাথৌপোইনা চীঙখৈ লৈমাপাকি কোলন্নুং মাবালয়াইপ্ য়িলতাললকলে।৬,৭৩।

মামাল চীঙখৈ যাইফুনিংথৌনাস্তুঙ পললেম মামাকা আনীমানা চোইনৌ সানা যালতেংপা, সমলাং তেলকা নালনা যোযচালঙাৱয়ে।৬,৭৪। ইহবাঙ আস যেং, তাংচীঙ আমুল খলনা তংহাললাপাকা ৱাহমখিযে। ৬,৭৫। চীঙঙ্ লাইনিংপৌকি মাপাৱি নঙপু নামাল তৈঙোনতা খৌবম কারি লৈপাকি য়িলত ললকপানো।৬,৭৬। আস্তুম পাওহখোল কি চাঙঙ্ কোপাবেল অহলপানা পাশখুম থয়ে।৬,৭৭। খৌবম কারিকুমপাপু লৈতে।৬,৭৮। খোইয়ম লাইপাখং চীঙঙ্ লাইনুবা নীঙথিপী।সংপ্ কোয়ৌ নো তানতা পাপী মাললেম নোংলেপতানা বুমৈ নুঙাইপাপ সালনাবিযে হাইপাপু নাতাযে।৬,৭৯। খৌবম আতুক য়িমাল নাবালয়াইপু য়িলতাললকপানে হাইনা পাংতনলৈঙতা পংচীঙ লাইনাকনক মাপাৱি খনচীঙকেলস্তুঙ নোপেক মনলা ভুমবোং। কি নাপাৱি খাংনোহা তেলইহপাস্তুঙ আসি খুবাংকি চৌ মাপাৱি খোঙচাবেপনাকাপা, নোংলৈ নংথৌ

মাপারি চীঙথমকোল আহলপাকা মানলং নুংসীৎনিংথৌ মাপারি য়াইচীঙলেলকা মাখোয় আসী খৈপীকসুঙ চীঙখৈ কোলনুংলেলতা ঙমনা বাইথুংলারে ৬.৮০। চীঙঙ্, নোংথৌ সারাবেলকি মাপারি খোরীকাপা আহলপাসুঙ চীঙখৈ কোলনুংরেলতা বাইথুংলারে। ৬.৮১।

চীঙখৈ য়াইফুনিংথৌনা খোইয়ম অয়াম পাতা বাহনখিয়ে।৬,৮২। চীঙঙ্ লাইপাখং খোইযম পালকনপাসিংগো ৬,৮৩। য়িমোম কোরৌনু আসিপু খোইয়ম কানা কানাকুমপাতা পঙনা কাঞ্চোনাফা-রাইযে ৬.৮৪ পাচা মলহলনাফাতে, যিমোমপু লাইনা ললকুচা-রোইযে ৬.৮৫ পললেম মামানা নাওনৌঙৈকি যাথং রাসক চাওপা মাপু থমলিপীনে। ৬.৮৬ বাচুম লাইনীঙ কাইহালপীকুনো। ৬.৮৭। মালেম লৈহো যাহ কেরো নোংহৌরী চীঙখৈ লৈনা হুলপা খুতীঙতা নোংথাই নোংতমনারিপা লীকলা য়ীহুলপুঙ পুঙলেল য়াই-রোইনারিপা আতুপ্পু পুঙচৈ চৈতোল পাইনা পুঙথং চৈপা খুতীঙতা য়িমোমকি কানলোয় মামিং পলনা; তমপা কোরৌনুকি থংলেল বারাংচালপ খনে তাললোয় অকি তুনুংসপু নাবা কোরৌনু নীঙ-থিপীনে হাইনা যাইপুঙ পুঙলোল পোকহলঙমপাতা যিমোমপু কাঞ্চোনাকে হানা নোংতমলীনে। ৬.৮৮।

য়াখং রাসক চৌপু আস্নম সানথঙহললাপাতা চাঙঙ্, পালকন মাপাতমনা থাযম মাগৌ হেনপা চেলো মাখোযদি সকপালযোংপু সকথোং মাঙলে নাইপাকি চুমতাং নোংপাঙ কুপকুমপাসিংপু মাইফং-লেংমাননাপাসং পাবে, ঙমগং ফমজিপাসংনা, আপাম য়ুথোরাংপাকি

বুলপী খোয়রাং হো. ;চৈরে লৈরোলনুংতা ফৈসোম তারৈ সেমনা সায়েঙ মাতালপোমপ্ পালপোম সীৎনা নালনা হৌখৎলাপাকা হে য়িমালঅো যাইপুঙ পুঙথমফমপ্ সঙলেল কাতাইতা থমলিপানো ।৬,৮৯। পুঙলেল আতুকুমপাক থাংলেল পুঙলোন খোকহালপাপ্ হাইতাপাসুঙ লৈরোন নোংলোল ৩ (আষ্টম) মাপু পৌরোইতনা নীঙলিপা মাসেলনে হাইনা য়াইপুঙ পুঙথমফমপ্ তালনা চঙনাখিরে হাইতাপারা ৬,৯০।

চীঙঙ্ লাইনিংথৌকি মাপারি কৌপারেল আহলপাতী চীনকোয় পাওরল ঙমতা য়াথং পাওফারকতা য়াওরতানা থামোই লাইনীঙ চেং. লাইনীঙ থুকম হোংতানা তাংচা মারু লুক, মাললেম খোঙপী লৈথৈ য়েংনা মামালকি সামু মাঙতা ফমনা নাওরো মাতোম লৈরৌয়ে ৬,৯১।

নোংলৈনিংথৌ মাপারিনা হালনা নোংতম পুঙৈয় চৈপু লাকনা থাংখৎলুয়ে। ৬ ৯২। পুঙলেল পুঙখৎলুপাপু হাইতাপাসুঙ পুঙয়ৈচে থমফমপ্ লেঙলুঙমতে। ৬,৯৩। থংচীঙ লাইমারুকি মাপারি থমচীঙ-কোল আহলপানা পালকন আরাকতমনা থাংখৎলুপাপু থুরাঙ থাঙচে য়ৌনা পুখৎলময়ে। ৬,৯৪। সামু লেংতোল তালনা থাংখৎঙমতারা-পাকি মাললেম লেতা তমনা থাতারমলে ৬,৯৫। পোঙভারেললা কাপানা খোইয়ম কনচাও হৌনা থাংখৎলুপাপু থুকলু তালচীন য়ৌনা থাংখৎলাপাকা মাললেম লৈত্তা তুনথারমলে ৬ ৯৬। চীঙঙ্ খোরী-ফাপানা পালকন মারাং হো, সামু খোঙপু দীননা থাংখৎলুপাপ্ সামু লেংতোল য়েৌনা থাংখৎলাপাকা পুঙলেল পুঙমাই তমনা পুঙৈয়

চৈথাখিপাপু পুঙচৈ পাংমা হাঙ্গাকি য়াইপুঙ পুঙলোন থোকপিতে । ৬.৯৭। তলপা লৈনীঙসিংনা নোংতম পুঙয়ৈচৈ মাপু সাম্ মাখুং য়েংলম রোয়রম লাকনা থাংখৎলাপাকা পুঙলেল পুঙখৎলমপাপু ঙমতারাপাকি তিললাং হাইসীংনানা মাললেম লৈমাংথকতা কুলথারমলে হাংতাপারা। ৬.৯৮।

খোইয়ম লাইপাখং পুমনামাতী তমপা মাকন হৌ, য়ারেন খোংথৈ চীকনা থাংখৎনারুযে । ৬,৯৯ খোইয়ম কানানা খকলু তানচীন য়োনা থাংখৎলময়ে। ৬,১০০ । চীঙঙ, কানানা খুবাঙ থাঙচে য়োনা থাংখৎলমপাম্লঙ য়াওয়ে। ৬ ১০১। খোইয়ম কানা আমানা সাম্ লেংতোলথকতাকি মাললেম লৈতা থাথারময়ে । ৬ ১০২ চীঙঙ, লাইপাখং পুমনামাতী য়ীকাই লাললংলা. হুইয়াই সেনখোয়রাপাকি তাঙচা মাকলুকনা ফমফমলারে হাইতাপারা। ৬,১০৩।

হে লুরাং সললাইহলপাম্মো য়াইপুঙ পুঙখং ঙমপাপু হাইতাপাম্লঙ পুঙয়ৈচৈ চৈতোম পাংখৎপাতাআপু নাঙাইয়ে । ৬ ১০৪। চীঙঙ, কানাকুমপানা যৈঙমনাতারে হাংতাপারা ৬ ১০৫।

চীঙঙ, নো খৌ সাবারেলকা থংচীঙ লাইমাং স্লঙ নাংপোক আরিপা খোইয়ম আহুমমানা রোহমখিযে । ৬ ১০৬। চীঙঙ, লাইনিখৌকি মাপারি কৌপারেল আহলপা নঙপু খোইমা তেলচৈকুমনা কুললকপাকি পালকন মাপা তমলকলে। ৬,১০৭। লাইলনোং নাম্ খোইয়ম লাইযিংগৌকি য়াংপুঙ মাখুংপানে। ৬ ১০৮। কুরুম সিতাপাকি মানোংযাং চাঙঙ সেংপেল আহলপা নঙপু নংতানা খোইয়ম কানাকুমপানা যৈঙমলাকাপানো, পুমনা তৌঙমলারোংয়ে

